


রাজকুমার [illegible]মঙ্গাংগী [illegible]বা লাইরিক :

– পুরারি খাবি থিরেন থৌনিরোন

DATA ENTERED

BY ....

পুথোকপসিংনা কোংলক্লগদবা লাইরিকসিং : –

১। পুরারি খাবি থিরেন—২শুবা সরুক

২। মীহোরোন সলাই সকোক

লাইরিক ফংফম :— (১) য় ইবী প্রেস, বাংজিং কৈথেল

(২) সগোলসেমচা রাজমুহোন মণ্ডাং

বাংজিং কৈথেল।

ৱাহৌদোক

মৈতৈ/মীতৈচাশিংনা ইপা লাইনি ইপু লাইনি হায়না ইপা ইপু হৌকম/পোকফম খল্লোং মফমদা, লাইকুবা, পুজিবা, চাদা-নাওদা নিজবা থৌবু "অপোকপা খুরুম্বা" হায়না কৌনৈ। থৌরম অসিগী মুংগী ইচেলদা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী হৌফম মফম, মসকপু ময়েক সেংনা খৌ অসিদা তাক্লি।

মালেমগী মী কুরূপ/কাংলুপশিংগী ভোঙান-ভোঙাবা চৎনরোল লৈনরবগুম মৈতৈ/মীতৈ কৌবা কাংলুপ/কুরূপ অসিগীশু অতুমক বাল্লবা লৈরবনি। ভোবতবু মালেমগী মীয়ামদা থংহবা উহবগী অমদি সন্দোকপগী থৌয়াং থরা সোনবদগী থর থকিক সোনবরা হায়না লৌনরুবগী বাদনি। অতুবু ওসিদি কংলৈচাশিংগী মরক্তগী সিংথোই হৈথোইরবা মী কয়া মতমগী ৱাওয়া পুথোরক্লনা মখোয়শিং অতুনা নৈনবীরকপদগী মালেম সিনবা থুংনা মৈতৈ/মীতৈগী মসক মতিক থংনরক্লে।

ঐখোয়গী লাই ওইরবা অহলশিংনা চৎনরম্বা য়াহিপ, কুফম চাকচা, লাইনিং, লাইসোনশিংবু মতমগী খুয়ো লাংওন ওইবা মিয়াল চৎনরোয়া নমশিন্নো মহুৎ শিন্নুরবশু লাংওয়া য়াদবনা ওসিদি থিজিনবা, নৈনবা মতম ওইরক্লনা থিজিয়া/নৈনরগা অসেংবা চৎনরোল সকতমবু তথা তপনা হনজিনরক্লে। ওইরম্লিবা মওনগা চান্না "অপোকপা খুরুম্বা" কৌবা লাইরিক মচা অসিমতং পুথোক-চনুনা মীয়ামদা ইপা ইপুগী-লিক্লম থিবদা মচাক থরক ওইননবা

ছোৱকফম ফুরুপকী মৈতৈ/মীতৈ পোককম, চৎনরোল, লাইনিং লাইসোন্নচিংবদা চাৱোন হুরোলনা চৎকদবা থকসি খাসি নচিংবা কয়াবু তাকপদা মতৌং খরদং, ওইগত্রা থম্লা মীয়ামদা পুখোকচবনি।

ওসি, ঐখোয়গী মৈতৈ/মীতৈ কাংলুপ/ফুরুপনা মাংথরক্লবা কাংলুপ ফুরুপকি ইতিক ঈয়াই কয়া ইপা ঈপুগী চৎনরোল, কয়া কাইরুবদগী ওইখৱিবা ফিভম সিংগী মনুংদগী চাৎরো মৌরোনবদা "মৌনবা" (য়াম্লবা) লোনরুবদগী পাৱি পুরক্নী লিরুম থুগাই থিরদগী মাংখিবা কয়াবু ওসিগী ঐখোয়না চুমথোকপিনবা অমসুং ইপা ঈপুনা চৎনরম্বা তাকপি/ওইরম্বা চৎনরোল লিরুনবু লাইরিক লিরুগী থম্লা কংলৈচাসিংদা খরৈনমিন্নবা মতম ওইরকখি হায়রি।

ঐখোয়গী ফুরুপ অসিদি "সেম্বীবা য়ুমপু" অহুমকী হেক "মমিরেন্দগী মিতমখিবা" অহানবগী চাদা লাওদাবি হায়না পুম্না কয়াদা ইহুনা ওইরমলবনি। অহুম্মা ইনাংকী অরিবা লাইরিক কয়াদগী লৌখৎচরগা "অপোকপা খুরুম্বা" কৌবা লাইরিক মচা অসিদা ফুরুপসিংগী লৈরম্বা ইচাক, ইরনসিংবু ইরৈবাকচাসিং পুম্না থওমিন্নবগীদমক থৌগনখিবনি। চোঙাইননা তাহুনা লৈরম্বা কয়াবু খোমগৎচরগা ইথোকচরিবা অসিগী মনুংদা থাহে বাতা লোয়নচিংবা কয়াদা অসৌইবা কয়া য়াওরবসু মথংগী খুৎলৈমদা পোংলোক-চনবগীদমক মীয়ামগী পাওতাকপিংই ফিগাও শানা নিজরি।

পুখোকচবসিং

য়াওফম তাকপা

———

সিংথাজবা থাহে থরা

মৈতৈ / মীতৈ ইনাংকী অত্থৈগী চংনবী, অসি কাওবত্ কাওনদনা চংনব্রিবা "অপোকপা খুরুম্বা" বু লাইরিক মচা অমা ওইনা লৈপাক মীয়ামদা পুথোকচনবা হোৎনবদা, "ইনাৎ কথা লুপ" থাংজিং - লমদিংগী ময়াই ভাংবল পুরেন ওইখিব্রিবা মোইরাংথেমচা মনাওইবুংঙোনা লুপকী ওইনা লৌবিখিবা থৌরৈ খোপাং, অমরোমদা য়াইবী প্রেসকী মেনেজর ওইনা মহাকী স্থফে খ্রাওবম নিঙোল চন্দ্রকালা, অসেমচা ইবুংঙো, অমসুং স্থিলন মৈতৈ নচিংবগা পুক্লিং থবাই য়াওনা হোৎনখিবসিংগী চাওরবা খৌবীগল লমনবু মতম চুপ্পগী ওইবা সিংথাজরি।

লাইরিক অসি পুথোকপদা প্রেসকী অমদি চেরী থাজবা হেংবাংবীরকখিবা লুপকি মেম্বরসিং :—

১।	ভাংঙোমচা নিমাই-লুবাং	লমদিং	লুঃ,	৫৮০/-
২।	এলাংবমচা নিলচন্দ্রা-খাঙাম্বা	,,	,,	৫৮০/-
৩।	সনাবামচা প্রফুল্লচন্দ্রা-মঙাং	থাংজিং	,,	৩৮০/-
৪।	থৌনাওজমচা মনি-মঙাং	,,	,,	৩০০/-
৫।	পেচিময়ুমচা য়াইমা-মোইরাং	,,	,,	৩০০/-
৬।	নাওরেমচা ব্রোজেন-মঙাং	,,	,,	৩২০/-
৭।	খেত্রিময়ুমচা অচৌ-তুম্বন (মাইবা)	,,	,,	৫০/-
৮।	অহৈবমচা য়াইস্কুল-মঙাং	,,	,,	৩০/-
৯।	নাওরেমচা রাম-মঙাং	,,	,,	২০/-

মথকী মেম্বরসিংগী চাওরবা হেংবাংসিংবু সিংথাজরি

অপোকপা খুরুম্বগী হৌরকফম

চীংঙ্ লাইগী মতম "হংক" খোইয়ুম অতিয়া সিদবগী উনকোইনুংদগী হোইথাক্লকপা খোইয়ুম লাইগী লাইরুপ লাইপুংথৌ ৯, লাইরুবা ৭, সরোই ৬১, উমংলাই নিপা ৩৬৪, উমংলাই লাইরেম্বী ৩৬৭ অসিনচিংববু চীংঙ্ মাগী উনকোয়নুংগী লাই "উমংলাই" কৌই। অসুম্না চীংঙ্ মানা নোংদম্বীবা নমু তাইবং "মী" মীরুপ লাইরুপ পুন্নগা লাইগী "হংক" (কুমসিং) ৪ হায়বদি —

ক - হংক।

খোই - হংক।

তয়ো - হংক।

পো - পোই হংক।

হংক মরি অসিগী মনুংদা কৌক্র সিমরি উমংলেন্দা তাইবং সেম্বা সারকপা, ওইরকঙৈগী বাবু পাউদমক্তুনা পাউতাক্লবগা খোইয়ুম লাইরুপ মীরুপ পুম্না হৱাও হুংঙাইনখি।

অসুম্না অতিয়া কুরু সিদবগী মমিরেন্দগী মিতমখিবা, মিরেন হনবা "মী খলোবা,,— ইমা লৈমরেন সিদবীগী, মিরেন্দগী মিতমখিবী "মী খলোবী,, অনি অসিনা অহানগা তাইবংগী মীওইবগী মপি মপা ওইখি। মখোয়দুবু কোঞ্জিরেন পাখংবা,— "পাখংবা" অমনুং মলানৌ ইবেম্মা অসিবুদু "সিনবী লৈমালৈহৌ ঙিংথৌ চনু" হায়না মিংথোনখি। অসুম্না পো—পোই

হংক দা, কোঙিরেন পাখংবা, ফম্বাল কম ফংখিবগা লোইননা লাইলৈমা লাইরেম্বী ৭ পান্নহুনা, মপারি ৭ পোক্ত্না তাইবং সনাই মিংথোল ৭ (তরেং) পিথি হায়দবরা॥

"হয়ি চক"

(লাইসিংনা কুমসিংবু 'হংক' কৌনরম্বদগী মীরুপ্না মখোয়গী মতমদা 'চক' হায়না কৌনখরে অমস্থং কুমগী মমিংস্থু ওনখরে হায়দবরা।)

সেল্লোই লংমাই চীংদা নোংপোক্লিংথৌ অমস্থং পান্থোইবী, অনিনা লাংওন ফাওরক্লগা মাইকৈ ঙাকপা লাইগী লাইরুপ কৌহুনা মীরুপ – লাইরুপ পুন্না, অহুঙৈ মীগা, লাইগা তাইবংপাল অমস্থং নমু পোং সেমলকপগী বাবু নিংসিংনহনা হরাউমিন্নখিববু অমুক সেলোই লংমাই চীংদা খোইয়ুম খুন্থক হরাউবা, লৈথক লাংওন সৈদমখিববু মী ওইবনা লাই হরাওবা কৌহনা ঐখোয়না ঙসি ফাওবা কাওদনা লাইগী মতৌ তমহুনা পাংথোকনরক্লি। সেলোই লংমাই চীংদা মিরুপ লাইরুপ পুন্না হারাউখিবা থৌ অসিনা মীওইবগী 'লাই হরাওবা" হায়বহুনী অহান্বা থৌনি॥

"হয়া চক"

লৈপাক অসিগী লৈঙাক মপু কয়া নুংসাংনা পাল্লে, চক মাবু লোমখরে। মখা চক অমরক হৌঙক্লে॥

"লাংবা চক"

লৈপাক অসিগী লৈঙাক মপু কয়া নুংসাংনা পাল্লে। চক মাস্থ লোমখরে হায়দবরা। মখা চক অমংক হৌঙক্লে॥

"থুনুং—কোম্ন চক"

সেম্নেংনা-লৈনুং য়াবিরোক পান্নতুনা মপারি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা পোকখি। থুনুং—কোম্ন চককী কুমসিং মসিং ৩১৫৫ সুবদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা ফম্বাল কংথি। কুমসিং চাম্মা কুন (১২০) পাল্লম্মী। লাইস্নানচিংবা লাইরেম্বী তরেৎ (৭) পান্নখি, তুবী সলাই ৭ লাংওনখি। অস্নুম্না তাইবঙ নমু পোংলমচৎ, মপারি ৭ কি কংলৈ ৭ থোক্লা লম থাইদোকপিরগা সলাইগী পীবারেন অমমম ওইনতুনা পালহনখি। মৈতৈ/মীতৈ ইপা ইপু অপোকপা সলাই সলাইগী পোইরৈ থুম্নোক থুম্নাখিব', মফম মতম, মুমি‚ং থানাচিংবা, নিংসিংজবা থৌ থৌনিরোন থৌবু "অপোকপা খুকম্বা" কৌই। থৌ অসি অতুঙৈগীনি। লৈপাক অসিগী মমিংস্তু অহু নোংদগী কংলৈপাক' কৌখি। অমস্তুং কংলৈপাকপু ৭ থোক্লা থাইদোকখিয়ে হায়ঙৈনে॥



নিংসিংজবা অমা

"অপোকপা থুরুম্বা" গী থৌরম অসি মালেমদা লৈরিবা মীওই পোক নমু তাইবঙ মীওইবা কৌবা কাংলুপ ফুরুপ থুদিংনা পাংথোকৃবা য়াবা থৌরম্নী। মৈতৈ/মীতৈগীদমক্তদি সলাই ৭ কী ওইবা মাম্মী মাগী পোৎচং, লাইফমনচিংবা মসক নাইনা থাইতুনা লৈব্রে। তৌইগুম্বস্নং মালেম পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইপোক কাংলুপ (মৈতৈ/মীতৈ নত্তবা) কাংলুপ ফুরুপসিংগীদমক্তদি থুরুম্বগী পোৎচং অসি মানা মানা পামজবা, কৎচনিংবা হৈ-লৈ, লা, থাং, ঈসিং অসিনচিংবা কৎচরগা থৌনিজবা য়াই। ঙা য়াওবসু য়াই, য়াওদ্রবসু য়াই। য়েনসাং মথেল অহুমগী পোৎলম হায়বদি— মনা, মসিং অলু, হবাইনচিংবা কৎতুনা থুরুম্বা য়াই হায়না ইপা ইপুগী লিরম্মা তাকপিরম্মী॥

সৈথাজবা

হুমলুরে থোংনাং মালাংবনা
লুপলুরে ঈরোন মুংদা
মতু মমান ঈচোংচোং ।
মমান মতু খিংনা খিংনা
লা উরক্লে তরং লাইপাউ ।
চোংলক্লে খুমূ ময়োন
হোয়ো হোয়ে চিংখংলো
হে নোংসা পাংগলবসা ।
থেক্লা খোইনা লৈসনু
চুমগনি নোংমদি সোইদনা ॥
থৌবাল চুমব্রংসু লৈরিবো
লোক্তাক পাংসু মলৈরি
থাংজিং চীংসু লেংদরি
কৌব্রু চীংসু কাইদরি
নোংমাই চীংসু যুক্তরি
লাংগোল চীংসু পাইদরি
কংলা খুবমসু কায়দরি
তাক্লরগান নোংমাদ সোইদনা
ইমা লৈপাক কংলৈপাকপু ॥
লাইজ ঈরিক খিকপিররো
নিজরি নপারি খোরিলাংবনা ॥

অপোকপা খুরুম্বা

অপোকপা হায়রবদি খৌরাম নিঙ্গিংলিবা মীওই অহুম্ নমদি মী ওইবা, ক্যাংলুপ ঐখোয়গী পোকপিরিবা ইপা, ইপু, ইবুধৌ পুরোনশিংবু অপোকপা কৌই। মসি তাইবংপা লৈমিংবা মী-ওইপোক খুদিংমক মাগী মাগী মপা মপু মবুধৌ পুরোনশিংবুনি হায়না নিংগনি। অহুম্ নমু পোং মীওইবা অমদি তাইবং পুম্নমকপু সেম্বী, সাবীরমবা পুম্নমকী মপু "ইপুরোই নিদব"বু খুপচিন্না অপোকপা কৌবস্ু য়াই। ইপা, ইপু খুদেমকপা, মখোয়দা নিজবা হায়জবা হায়বা অসি মীওইপোক ঐখোয়গীদা থোক-তোক্লা য়াইকবা. অমদি তৌরবা য়াদবসিংগী মচুদা অমনি। ইচা, ইরুন, য়াইফবা পিবিবা, লকক ওগীবা হাইবা অসিমদি ইপানা, ইমানা ইপুনা, ইবেম্মা, "ইবুধৌনা" ইবেম্মোনা ঈপুরোইনা পিবিদুনদি তাইবংপা অতোপ্পা সাখাই লাই কনা অমত্তনা পিবিনুবা লৈত্তে হায়বা "চাৈংগে, মরু" না পুম্না ওইনা ইহুনা থম্বীরম্মি। মরম অদুনা মীওইবা ঐখোইনা ইপা লাইনি, ইপু লাইনি হায়বা ইপা-ইপু, অপোকপবু খুরুম্মনা খৌরিজববু অপোকপা খুরুম্বা হায়গনি। "সখাই লাইশিংবু খুরুমজনা য়াইফবা নিজবা তাঙবগু অপুং ওইবা [illegible] মপু অহুমদি য়াওবা থাবরে হায়না লৌগনি।

মসি কংলৈছা মৈতৈ যুরুপকীদি মৈদিংগু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মপারি মেক ৭ না কংলে ৭ থোক্না খাইদোক্লবগা লৈপাক্নী লৈডাকলোম লোইনা সিজোন চাউখং 'থৌরমগীদমক্তা খুম্হোক খুন্দাখিবা 'মঙম থাংবা,' মাকমৈগী নিংশিং থৌরমদা পু-অহল, পু-য়াইমা, পু অতোম্বা ইবুধৌ পুরোন অহুম, ইবেম্হৌ পেংরোন অহুমগী নিংশিং থৌরম থৌ ওইবদা পাংখোক্লখিবা থৌনিনি। থৌ অসি তৌবা মফম অতুবুনা সাগৈগী থল্লোং মফম হায়না কৌই। অপোকপা খুরুম্বা হায়বা মৈতৈ খুনাইগী থৌনিরোন থৌ অসিদি সাগৈ সলাই (ফুরুপ ফুরুপকী পু ৩) ইবুধৌ অনা খুম্হোক খুন্দাখিবা মফম, য়ুম্নাক সলাইগী কাংলুপ-ফুরুপকী হৌকম পোকফম, মফম মতম মসক তাকপগী থৌরমনি। থৌ অসি থল্লোং মফমদা সলাইগী হৈ-নৈ, সিং, মৈ, ঙা, ঈশিং, থাং অসিনচিংবা পোংলম কন্ডুনা ফম্বাল ও থারগা পু-অহল, পু য়াইমা, পু-অতোম্বা ইবুধৌ, পুরোন ও ইবেম্হৌ পেংরোন ও মক্তা থৌনিজতুনা তাইবঙ মী ওইবা মচা মসু ওইবসিংগী 'অবাংপা মচা মরন পুন্সিনচিংবা নিনবগী থৌনি। মৈতৈ/মীতৈ সলাইশিংনা ঙসি ফাওবা অকাওবা লৈতনা তৌনরিবা থৌনিরোল থৌ অসিবু 'ইপা ইপু অপোকপা' খুরুম্বা কৌই।

অপোকপা খুরুম্বা হায়বা অসি মখল অহুম থোক্না খাইদোক্লে মতুদি—(১) সাগৈ অপোকপা খুরুম্বা (খুবম য়ারিবা মফমদা) (২) 'অপোক অসা থাবা/খুরুম্ব (লুহোংবা মতমদা) (৩) ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা (ঈমুংগী মেন উংরপ/জাত্রাগী ফকতোম মমাংদা)।

থৌরম অসি মালেমদা লৈরিবা মীওইপোক নমু তাইবা মী-ওইবা কাংলুপ কাংলুপকী ফুরুপ খুদিংনা পাংথোক্লবা য়াবা থৌরম্নি। অপোকপা খুরুম্বা অসি ফুরুপ খুদিংগী ওইনা পাংথোক্লবা য়ারবস্থু ১দি পাংথোক্লকপ থোক্লবস্থু ঙসি ফাওবদি মৈতৈ/মীতৈ কোবা ফুরুপ অসিগুনা থোয়দোক হেন্দোক্লা থাজবনা অমত্তং কায়বা ফংননা পাংথোক্লরক্কী। মরম অদুনা "অপোকপা খুরুম্বা" থৌরম অসিনা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপকী হৌরককম ১দি ইপা ইপুগী চংনরোল ১স্তং ফুরুপকী তোপ তোপ্পা মসক অমা মালেমগী মীওইবা ফুরুপ সিংদা ময়েক সেংনা তাক্লিবা থৌরম অমনি। থৌরম অসি মালেমগী মীওইবা ফুরুপ খুদিংনা পাংথোক্লদুনা কায়বা অদু ফুংমিন্নরবদি ১দি ফংহুনবা ওন্নবদি মী ওইবা ঐথোয়গী য়াইফুগনি।

অপোকপা খুরুম্বগী পোৎলম -:

মালেমদা মৈতৈ/মীতৈ কোবা ফুরুপ অসিনা পাংথোকনর-কলিরা অপোকপা খুরুম্বা হায়বা থৌ অসিদা সলাই সলাইশীদা চংগদবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমসিং অদুগী মথক্তা থৌনিরোলগী থৌরম, খুদিংমক্কী ওইনা চংদবা য়াদবা পোৎলমসিংদি লৈসং ৩, ক। মতোন থোকপা ৪, মনা ৪, লাফোই লফাং চও থোকপা ৪, খুদৈ মরাক তাইবা ১, চাবাল চফু ১, নাহাই চফু ১, হৈকুক ৬, পান ৮, খুদৈ অঙৌবা ৩, লফুং ৩, থোইরু খাংমৈ ৬, কোনয়াইপু ১, অসিনচিংবা চংগনি। ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বগীদমক্তি, সাইবা তিংথং ৭, লাংগোম হুই সাংবা ৭, চেং-খুরা ১ অসিনচিংবা চংগনি। ইপা ইপু অপোকপা খুরুম্বদা সলাইচাসিংনা [illegible] মাঙ্গী [illegible]

সলাইগী চংগদবা পোৎলম তৌভান তোঙানবসিং অমদি সুং, পাৎ, উ, হৌকম পান্তুগী ঈসিং সোকপা মতমদা ঈসিংদা হায়না পোনয়াই থাত্তনা পাঙতাক্লগা সলাইগী মাইকৈ মাইওন চুম্না ওল্লগা ঈসিং সোক্লগনি।

সলাইগী পোৎলম

(১) মঙাং সলাইগী পোৎলম :-

মথক্তী পোৎলমসিংগী মথক্তা নাহাইরোনগীদমক-উরুং নাহৈরোন তাইরেনগী মনা, লৈদি-খন্নাল অঙাংবা মনা ১০৮ পানবা ৩, হৈদি-খন্নাল ১০৮গী থমচেং ৩, ঙাদি-সারেং ঙাংলৈবনি, ঙাপাং ঙাদি-মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১, লাদি-খন্নাল অঙাংবা ১০৮গী থম্না ৬ নম্রগা চংবী লাসু য়াই। সাঁওদি-সৈইনি, ঐ.য়ৈমৈনি, থাংদি চাকথাং অনিনি, ঈসিংদি-সলাইগী লাইকম-সুং, পাৎ, উ-সুংজেং পান্তুগী সোক্কনি ॥+॥

(২) লুরাং সলাইগী পোৎলম :—

নাহাইরোনগীদক উখাক তাইরেন মনানি। লৈদি-খোংগন-মেপৈনি, হৈদি-কিহামনি, লাদি লারোংনি, সাঁওদি-উ-হৈক্রুনি, মৈদি-খোইচু মৈনি, থাংদিগী-তেন্দুপ্প অনিনি, ঙাদি-সারেং সংলুনবনি, ঙাপাং ঙাদি মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১, ঈসিংদি-লাইকম সুং পাৎ উ লম্ফেন পাংতগী সোক্কনি ॥×॥

(৩) খুমন সলাইগী পোৎলম :—

নাহাইরোনগী তাইরেন মনা অমসুং পুংফাইনি, লৈদি সনবুপ-লৈসংব্রে, নক্রগা কাকলৈ নক্রগা লৈসং, হৈদি-হৈক্রু নক্রগা হৈবোং-নি, লাদি চংনি লা নক্র কাক্লানি, ঙাদি সারং অমুবনি, ঙাপাং

ঙাদি মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১, সীঙদি - চাওখোং নত্রগা হৈবোংনি, মৈদি - মৈথাং ৭ লক্লি, থাংদি - তোনককপা ২নি, ঈসিংদি - লাইফম ন্নুং পাং, উ পুমলেনপাংতগীনি ॥×॥

(৪) অঙোম সলাইগী পোৎলম :- নাহাই/নাহৈরোন-গীদমক - তাইরেন মননিা, লৈদি - থরো অঙাংবনি, হৈদি - হৈবীনি, লাদি - লারোংনি, সীঙদি - উপন্নি, মৈদি - মৈবানি, থাংদি - পুক্কপ থাং ২নি, ঙাদি - সরেং অঙৌবনি, ঙাপাং ঙাদি মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১ ঈসিংদি - লাইফম ন্নুং পাং, উ - কোংবা মৈরোম্বীদগীনি ॥ ⋎ ॥

(৫) মোইরাং সলাইগী পোৎলম :- নাহাই/নাহৈ-রোনগীদমক - লৌদ্রৈ ওান্দ্রে নাহৈ তাইরেন মনানি, লৈদি - লাংথে, য়েকম লৈনি, হৈদি - হৈতুপ কাংগ্রৌনি, লাদি - খংগ্রা লানি, সীঙদি - কুহিানি, ঙাদি - সারেং ঙাংলৈনবনি, ঙাপাং ঙাদি মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১ মৈদি - মৈথাং ৩ লক্লি, থাংদি - য়েনবা মতোংক লাই-থাং ২নি, ঈসিংদি লাইফম ন্নুং পাং উ-লোক্তাকচগীনি

(৬) খাবা ঙানবা সলাইগী পোৎলম :- নাহাই/নাহৈরোনগীদমক নাপু নাসেং - তাইরেন মনানি, ঙাদি - সারেং ঙাংলৈনবনি, ঙাপাংঙাদি, মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১ লৈদি - চহুই হৈদি - হৃজাং হৈথূমনি, লাদি- লৈহৌলানি, সীঙদি হৈনৌ লৈত্রগা চীংয়েসিন্স্য়াই, মৈদি - লৈথাম বাইমৈন্নি, থাংদি - চীনাইব ২নি, ঈসিংদি-লাইফম ন্নুং-পাং, উ-লৈতাং লাইরম পাংতগনীনি ॥+॥

(৭) চেৎলৈ সরাং লৈসাংথেম সলাইগী পোৎলম :- নাহাই/ নাহৈরোনগী দমক - নাপি. সিংবী, তাইরেন মনানি, লৈদি - লৈসং থেকরাইবনি, হৈদি - সোলোম্লি, লাদি - লায়াইনি, সীঙদি - নোংলৈসংনি, ঙাদি - সারেং রাউরুনবনি, ঙাপাং ঙাদি- মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১ মৈদি -মৈথাং ৫ রকনি, থাংদি - থুমথোং থাং ২নি, ঈসিংদি - লাইফম লুং প্যাং, উ - তাকনখাদগীনি ॥X॥

(৮) হাওরোক কোম্থৌ সলাইগী পোৎলম :- নাহাই/ নাহৈরোনগী দমক - নাখাই নাতাং তাইরেন মনানি, লৈদি- য়েকম লৈনি, ঙাদি- সারেং ঙৌরুনবনি, ঙাপাং ঙাদি-মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১, হৈদি-হৈবুংনি,লাদি হৈলানি, সীঙদি-বোরোইনি, মৈদি - মৈথাং ২ রকনি, থাংদি -তোনকোনবা ২নি, ঈসিংদি- লাইফম লুং পাৎ, উ - সুগুনু লুংথোংদগীনি ॥+॥

(৯) উরোক উসা সলাইগী পোৎলম :— নাহাই/ নাহৈরোনগীদমক - থিংনাং থাংতিং তাইরেন মনানি, লৈদি-কাক্লেনি, হৈদি - কাংথৌনি, লাদি - কাক্লানি, ঙাদি - সারেং ঙাংলৈনবনি, ঙাংপাং ঙাদি মচি পান্দবা চং তাবা মসিং ১ সীঙদি - হৈবোংনি, মৈদি - মৈথাং ৪ রক্নি, থাংদি - কুপফেৎ থাং ২নি, ঈসিংদি -লাংগোল লোক, লাইফম লুং-পাৎ, উ - লাংগোল নিংথৌ লোক্তগীনি ॥X॥

সাগৈ অপোকপা খুরুম্বা

পাওতাক খরা :-

সাগৈ অপোকপা খুরুম্বা :- ফ, কায়নবা সাগৈগী মচা মস্থু মখৈ - মবুধৌ মবেন্থৌগী "খল্লোং" খুভম লাইসং সংলেন মফমদা চহি অমগী মনুংদা অমুকতং, মাগী মাগী থাজা, মাকমৈ নুমিৎতা নি-সিং খোরম তৌদুনা খুরুমজব, থৌনিজবা থোরমবু 'সাগৈ অপোকপা খুরুম্বা' হায়না কৌই ।।

অহান্নমক্তদা থৌনিজগদৌরিবা সাগৈদুগী মবুধৌ মবেন্থৌ অনিগী সক্তম অনিদু লাইসং সংলেননুংগী সংমাংদা লেংথোকপীরগা সঙ্গোম অনৌবা (লাইজ সেংথোইবা) না চাইথবীরগা ফিসেং লৈত্তেংবীদুনা ইবুধৌ ইবেন্থৌ ফম্বাল লাংগনি। মদুগী মতুংদা লাইজ ইরোননুংদগী 'লাই ইকৌবা' চৎকনি।

সাগৈ ফ, কায়নবা মখৈ তিন্নরগা ময়াম পুন্না চংপদুদা অমাইবা, অমাইবী, পেনা, য়াওনা পু-অহল পিবানা লাইয়িংথৌ থৌগনগনি, পু-য়াইমনা লাইরেম্বী থৌগনগনি, পীবাগী নুপীনা "ঈসাইফু" পুরগা, পু-য়াইমগী নুপীনা তুরেন-হৈ পুরগা, সাগৈ মচা মস্থুদগী অকন অথৌ অনি খল্লগা, মখোই অনিগী মনুংদা চহি হনবা অদুনা লাইয়িংথৌগী থাং পায়গনি, অমা অদুনা লাইরেম্বীগী থাং পায়গনি, সাগৈগী মৌ অমনা চবান য়াংকে.ক পুগনি।

অমাইবমা মাং থাডুনা চৎকনি মাইহাইনাহৈ ইসাইফ, পাযবগা তাইরেন - পোংফাইনা লাইজ ঈসিং লুপতুনা লম্বী অতু খিক্তোক হায়দোক সেংলগা চৎকনি। মাইবগী তুংদা মাইবিনা সন্নিক খিংগনি,পেনা খোংবস্থ পেনা খোংলগা চৎকনি, পুং যৈবনা পুংয়ৈবা সেন য়ৈবনা সেন য়ৈব , থাং পায়বনা থাং হাইবা, মালেম খোংবাই অনিথোক্না সেমতুনা চৎকনি। অস্থম্ন চৎলগা ইকৌফমগী লাইজ ইরোনহুংদগী ইবুধৌ ইবেন্থৌগী "মতিক ময়াই অহবপা" থৱাই মিরেল" কৌখৎপা চৎপববু লাই ইকৌবা চৎপা কৌগনি।


ইবুধৌগী ইবেন্থৌগী সক্তম যোংকৌ খ.বৈ ২ (খবা সাংবা ১, খরা তেনবা ১),সাগৈগী খল্লোং খুভম মযন অতুদা পু-অহল,পু-যাই-মা, পু-অতোম্বা, পু ও দা থৌনিজবা, হৈ-লৈ, থাডুনা সাবেন্ন চংবা কৎতুনা চাক্লোং কৎকনি। সাগৈগী মযাম চানিন্নগনি, সাগৈ তিম্নবা, সাগৈ পুয়া পাথোকপা, অনৌবা ইথৎপা, সাগৈ চাওখৎনবা থন্না নৈনতুনা য়াইফনবা থৌরম তৌবা ভাতুবু সাগৈ অপোকপা খুকুম্বা হায়না খংনৈ। থৌনিরোন থৌ অসি থংন থংননা চহি ও তৌদ্রবদি 'লাই লৈতাবা' হায়বা অমা লৈবনা অম্মক নৌহৌননা লাইজ ইরোনহুংদগী লাই ঈকৌখৎলগা থৌনি থৌরম তৌগনি। লাইগী থৌনিরোন থৌ অসি তৌবদা সাগৈগী পিবানা লাইগী লুক হৌগনি। পীবাদা লৈরিবা সাগৈগী লাই-য়িংথৌ, লাইরেম্বীদা অথেনপোৎ অমমম কৎকনি। অহগা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা থৌনিরোন থৌ অসিদা সাগৈ পীবানা লমজিংগনি।

সাগৈগী মচা মস্থ পুন্নমন্না পুন্না পুরোন ৩ দা নিজবা থৌরমসিংগী থৌনিগী অহানবদা অমাইবনা লাইগী ফম্বাল মমাংদা অনম অথৌ কোকথোক্কনি। থৌনিজরিবা সলায় অতুগী "মীহৌরোন য়ুমদাবা মিংথৈ" লোনগনি। পেনানা ফম্মাং থোগল তৌগনি। লাইদা সরেন কৎকনি, হৈয়াং লৈরাং হৈকৎ লৈকৎ ১দি সাগৈ চা পুন্নমক তায়রেন পুংফায়না সেংদোক হায়দোক্কনি। মবুধো ৩ গী ফম্বালদা, সগৈ মচা মস্থসিং লৈ কৎহনগনি, খুরুমতুনা য়াইফ থৌনিগনি। মতুদা মবুধো, মবেম্থৌগী চাইথবগী সঙ্গোম অনোবগী ইরিক ইচুম অতু মথুৎতা খরা খরা থাদবিগনি। লুরেন থক্তা হান্না ঈরিক অমা থাদরগা খরনা চিন্দা থক্কনি, মতুবু ইপা ইপু মচুম তাবা থৌজান পিবা কৌই। তিনথুং লাইথুং কোকচরগে হান্নবা নিজগনি। মথংদা-মাইবীনা খোইয়ুম লাইপাউ চেনগনি। অরোইবদা মবুধো লাই ৩ মক্তা চাক্লোং লুকলেন কৎকনি। চাক্লোং লুকলেন কৎপা লোইরগা, মবুধো, মবেম্থৌ ফম্বাল থক্তা লৈহুন তম্নগা ফমদেং-হনগনি অরোইবা থৌনিদা মাইবনা 'অতাইরোম্না' তাইবিরগা থৌনি মতোন লোমগনি।

সলাই খুদিংমক্কী সাগৈ অপোকপা খুরুম্বগী

মফম মাইওন তাকপা

(খল্লোৎ লাইসংগী মাইওনগী মতুংইন্না)



লুকমাং

২৮৮। পোকলেন পোকপা লাইবু ইবুধৌ অহুম্না থৌগনজবদি লাইগী য়েংবী মাংওইননা পু অহলগী তাংবলনা য়েং থংলগা ওই-রোমদা মথং মথং থাগনি।

ফম্বাল থাবগী মওং

O	O	O
১	২	৩
পু অহল	পু য়াইমা	পু অতোম্বা

লুকলেন লুকথ। ঝাংলোম

O	O	O
৩	২	১
পু অতোম্বা	পু য়াইমা	পু অহল

মথঙা ঘেন্নিবা অসুম্না মবুধো ৩গী চাক্লোং লুকলেন অমমম কংকনি। চীংথৈ পাংবদনা কসাগী চাক্লোং লুকলেন চাকথা অম্না কংকনি। কৌত্রু-লিক্রম পাংবদা - খাউনুনাইগী চাক্লোং লুকলেন অম্না কংকনি। পু-অহল ইবুধোদা কংপা চাক্লোং লুকলেন্না পু-অহল পিবাম্না কংগনি। পু-য়াইমা ইবুধৌগী চাকলুক্লা পু-য়াইমনা কংগনি। পু-অতোম্বা ইবুধৌগী লুকলেন্না পু-অতোম্বনা কংগনি। পীবা নিঙোনদি চাক্লেন লুকলন চাক চাগনি। অসুন্না ইপা লাইনি, ইপু লাইনি হায়না মবুধৌ পুরোন ৩বু, সলাই অতুগী থৌনিজরিবা সলাইচা খুদিংমক্না খুকমজতুনা থৌনিগনি।

থৌনিরোন খুদিংমক্তা অহান্না ওইনা তৌগদবা কাংলোন-লিক্রম

অমাইবনা তাইরেন মনা লোংনা পাইতুনা নহাই/নাহৈ-যুদগী ঈসিং লুপ্লগা অমাইবা/অমাইবী মসামক্ত হান্না হকচাং সেংদোকনি। মসামক সেংদোকচরবা মতুংদা পোংলমসিং অমদি য়াওরিবা সাগৈচা খুদিংমক তাইরেন পোংফাইনা নাহৈফুদগী লাইজনা সেংদোক হাইদ্রোকপিগনি। অমাইবা/অমাইবী অতুনা খুবাক ৩ লক খুরগা মাইকৈ ১০ মক্তা মখাদা ইরিবা মিংথেরোনসিং সোন্দনা খুদোম্বী কাপথোক্না তাইগনি। (থৌনিরোন খুদিংমকীনি)।

'থৌরি মিংথৈরোন :— নোংমদোন লাইনুরা ৭ লাই পাখং ৯ রাখমনোই ৮ থেবরোল সুলাই ৯ লৈথক লৈখ। :

খাদা :— 'খানা চাওবা রাংব্রেনওঃ, লোক্লীং থৌওঃ ঙসিগী নচা ননাই পুম্নমক্কা পাংথোকচরিবা ইরাৎ ইসোন থৌনি অসি কাইহনবীগনু ঙাকপিয়ু' হায়না সোম্দ - নিংতুনা খারোমদা খুদোমবী কাপকনি।

অরাংদা :— হে চিংঙ নোংথৌ সোরারেন ঙসিগী নচা ননাই পুম্নমক্কা লাংজরিবা ইরাৎ ইসান থৌনি থৌরম অসি কায়দংবা ঙাকপিয়ু হায়না অরাংদা খুদোম্বী কাপকনি।

নোংপোক্তা :— হে, খোইয়ুম অচিবা ঙসিগী নচা ননাই পুম্নমক অসিগী ইরাৎ ইসোন থৌনি অসি কাইদনবা ঙাকপিয়ু হায়না নোংপোক্তা খুদোম্বী কাপকনি।

নোংচুপ্তম্ব :- হে, চিংঙ খোইয়ুম লাইয়িংথৌ থেংক্রং অহৱও ঙসিগী নচা ননাই পুম্নমক অসিগী ইরাৎ-ইসোন থৌনি থৌরম অসি অসোয় অঙাম থোক্তনবা ঙাকপি সেন্নবীয় হায়না নোংচুপ্তা খুদোম্বী কাপকনি।

থাংজিং, মার্জিং, রাংব্রেন, কৌব্র, পোইরৈ সিংথাই ৬১ উমংলাই-সারোই ৬১ ঙসিগী নচা ননাই পুম্নমক্কা থৌনিজবগী ইরাৎ-ইসোন থৌ অসি অকাই অতোই পুম্নমক ঙাকপিয়ু, সেনবীয়ু হায়না মাইকৈ ৪ সুংদাই ৪ কৌরো মালেম মাইকৈ ১০ মক্তা ঙাকসেন থৌ পুবীরিবা লাইয়িংথৌ পুম্নমকপু পাও তাক চন্নিয়ে হায়না মাইকৈ ১০ মক ওনদুনা খুদোম্বী কাপ্লগা পাওতাকনিয়ে।

অনম অথৌ কোকপা

(অনম অথৌ কোকপা হায়বদি — তিন্নম-লাইনম, অনম অহা, চুবা কোকথোক, চাম্থোক, সেংদোকপিববু, - অনম অথৌ কোকপা হায়না কৌই)। অদুঙৈ নহান্নোং "হয়ি চক" এহল্লোইদা মৈতৈ কাংলুপ ফুরুপকী চৎনবী মতুং ইন্না, করিগুম্বা ঈরাং থৌনিরোনগী থৌ অমা তৌবা মতমদা ইহান হানবদা থৌ পাংথোকপীগদৌরিবা অমাইবা/অমাইবী ১দি থৌনিজরিবা পুন্নমকপু অনম অথৌ কোকপগী লাইস্মিং, হকসেং-হকলোনবু হায়বদি ঐ/ঐগী ইসাবু হান্না সেংদোকখিগদবনি হায়না চৎনরকখি। ঈসিং য়াওবা নাহাই/নাহৈ ফু ১, তাইরেন, পুফংাই, নাপু-নাসেং, নাপিগা, সিংবিগা, নাখাই-নাতাং, লৌঙ্রে-তাংগ্রে, উথোক, রা-থোক, সলাই ৭/৯ গী পোৎলমসিং অসি থুংনা পাইহুনা, নাহাই/নাহৈফুগী ঈসিংদা লুপতুনা লুরেনথক্তগী ৭/৯ লক ঈরিক খিক-থরক্তুনা হকলুং সেংদোকদবনি। লাইদা কৎনবা পোৎলমসিং অদুসু সেংদোক হাযদোকদবনি। সেংদোক হায়দোক্লবা পোৎলম-সিংসে সুনা ফংদ্রবসু, তাইরেনগা, পোংফাইগদি য়াওদবা য়াদে (থৌরম থুদিংমকীনি)।

অমাইবা/অমাইবীনা অহান্নমক্তদা থুবাক ৩ লক ফুরগা তাইরেন মনা লোংনা ফুবাক লৈতাইনা চপ্তুনা অনমঅথৌ মিংখৈরোন অসি সোন্দুনা হোৗদোকনি। মথংদা 'ঈকৌরান' (লাইজ মিংখৈরোন) সোন্দুনা লাইজ ঈসিং কৌথগনি।

১) মিংখৈরোন :—

উং - হৈ, উং - হৈ, উং - হৈ
নহাল কোরৌ নোংলৈতরিবৈ নোংলৈরকপি
মালেম লৈতরিবৈ. লৈরকপি, ইরেং পাপাল লাইও তাও
খোইয়ুম পুপাল লাইও তাও, নহানবনোং তাইবঙ পানবা মপু-না
সারোই লালগোই তিনমু লাইমু মতিল মকাম লাই
মপল কৌবা চিংনিংনা নিংনা য়ামসারিক
অপিস্না ইনোংমা চিংখোংয়াগা হৌরকপা
হে খোইয়ুম চীংঙৎ তিনকোক্লে
খোইয়ুম লাইকোক্লে হা-উং-চা, নোং-চা নোং ॥×॥

২) লাইজ ঈকৌবা:—

হা-উং তরং-ইমরু-সেংথোইবী
হা কোংবা, পুমসাইখোং, কুমস্থখোং,
ময়াইখোং, চীংগোই, নুংজেং,
নুংখোংনুংনাওবী, লাইজ সেংথোইবী
ইরম খোংলম তরেৎমক্নী লাইজবু ঈকৌজরি,
ঈলেনপুংদা থুংনা তুংবিররো হা-উং, হা-য়েং ॥+॥

লাইজ ঈসিং হান্না কোগনি। মসিনা তাক্লীবদি তাইবং শেমলকচৈগী ওইবা মুংগী বাখল্লোন কয়া থুপ্না লৈরি হায়না উংলি।

৩) ঈরু লাইসোন :—

হে কোরৌ মচি ঈ, বাংবল মনাওঈ
কসা লালনংঈ, থাকপা পুরৈসোম্বা
পুলাং লাকাবা খোকময়োক্লি ওনতেবা
খোকপা য়োক্লী ওয় হলবাইবা
খোকনাং নানি লোংবা, ফেনগাই লৈতুম মুংতুমঈ
নুংমু নুংঙৌঈ অরাং কৌব্র, অম্বপ্পা।
লমলেন তংতুবিখোং য়ারুঙ্গী সিন্থ-ঈ
অরাঙ্গম ঈদি বাইচেৎ ঈ, অসাংবম ঈদি বাইকেমঈ
নোংথৌ সোরাবেন, মরিকপি মরিকপা,
সনখোম্বী সনখোম্বা, ইরেম পিতাই পোংত্রাইবী।
অসেম অসা হৈ নংনা সেপীওঃ সাবিওঃ হা-উং হা-য়েং॥+॥

ঈরু লাইসোন মিংথৈ অসিদি হকচাং সেংদোকপা, লাই-সেংবা পোৎলম চৈরম সেংদোক্লবগী মিংথৈরোননী।

৪) নাহাই/নাহৈ নাসেংলোন :—

তাইরেন্ন, পুংফাইনা, নাপুনা, নাসেৎনা,
নাপিনা, সিংবিনা, নাখাই নাতাং,
লৌদ্রেনা, তাংদ্রেনা, উখোক্লা, বাখোক্লা
সিদ নাদ য়াইন সেংবিরে, হা-উং হা-য়েং॥+॥

মথক্কী মিংথৈসিং অসি সোলগা তাইরেন, পুংফাইনা নাহৈ-ফুদগী লাইজদা লুপতুনা সেংদোক হাইদোকলি।

৫) য়ুমতাই নাসেংলোল :--

মাংসোক মদাইমা কমলেন মদাইমা
য়াতংদ কোন্দংদ তাকতু ইতাইমা
সেনখোং নারিনম, পরৈহৌনা মাগী
থুনাম্বা নাঙৈবা নকমসো নকমসেং
নখোংকান নরাল্লি চাকসোংফম নাওসাংফম
মাংগোল লাং নন্নুংলাং নসুমাং নাসেন মাংগী
কাওম সুমারোংববু থরৈ লেমলৈ মাদ
তাইরবনে সেংওবনি হা উং হানয়েং ॥ৠ॥

মিংথৈ অসি সোল্লগা লাই খুরুম্বদা কৎলিবা পোৎসিং অদু সেংদোকনি তাইরেন, পুংফাইনা অমাইবনা হাইদোক সেংদোকপিগনি।

৬) হৈসোই ইপাল মিংথৈ :—

চীংঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ, য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা
চীংঙু অনিমক্কী নকুম কুম্বীগী কুমগাউদা নাথা থাগী থাকাউদা
থমলা লাইরা পান, চমু চাঙৌপান তোংলেন লৈসং পানগী
চীংঙু লাইবুংথৌ ৯ মক লাইনুরা ৭ মক সারোই ৬১ মা।
নখোই পুম্নমক্কী হাউমন য়েৎওই কোনফাবা
ভাইরোং সিংমিং নমফাবা, সিন্দুং মুবিনা পিথংখি পিথংসিং
ভামা মুবিনা পিথংখি পিথংসিং থমদিং মুবিনা পিথংখি পিথংসিং

হুয়েন লমসিং নাইথবু ফানা সিংনা হৈসোই ঈপাম্বা
হা-উং হা-য়েং ॥ৠ॥

অমাইবনা তাইরেন লোংনা পাইহুনা নাহাই/নাহৈফুদগী লাইজ ঈসিং লুপ্লগা পুম্নক সেংদোক হাইদে কনি।

৭) মুমিং নাহাই/নাহৈলোন :—

উং-হৈ-উং-হৈ-উং-হৈ-হৈ-হৌ কেং
য়োইগা মেলগা য়াইগা থোরি থোয়া লাংবু
থোরি থৌচিন লাংবু থবা পোংথো তমলি
থবা মাবু লান্নংদে, মুমিং পোংথো তমলি
মুমিং মাবু লান্নংদে, য়াবা কোনথাং-সাগী
পোংথো মথং পিজগে, কুমচা পাম্লো থোগে
নোংচা পাম্লো থোগে, ভাম্নরে তেরগে
হা-উং হা-য়েং ॥X॥

৮) তুতেংলোল :—

নাহালনোং তুতৌ খোংতৌঙ, মোংবা তুতৌখোঙ তুতেংখোং তুতেং খোংতেং নোংগীবু, য়োইময়াইগ', থোরি থবা পোংথো তম্নী থবা মাবু লান্নংদে, মুমিং পোংথো তম্নি, মুমিং মাবু লান্নংদে য়াবা কোনথাং-সাগী, সাকাং নমু পোংথো পীজগে,
কুমজা পাম্লো থোগে, নোংজা পাম্লো থোগে, ভাম্নরে তেরগে
হা-উং হা-য়েং ॥ৠ॥

৯) পোংথৌলোল :—

নাহালনোং তেকপি মংকচা, কাইরৈ মায়নচ
য়াংলৈ তাওবা মহুইচা, কাউরেন মসনচা
পোং খুকাই সাকাইবা পোং মবম ৭ মরু।
অনম সরাক তম্বা পুন্নমকপু, থবা পোংথৌ তম্মী
থবা মাবু লান্নংদে, নুমিৎ পোংথৌ তমলি
নুমিৎ মাবু লান্নংদে, য়ারা কোন-খংসাগী
পোংথৌ মথং পিজগে, কুমচা পাল্লো থৌগে
নোংজা পালো থৌগে ভান্নরে তেরগে
হা-উং হা-য়েং ॥৷॥

১০) পুরৈরোম্বা নাহাই/নাহৈবোল :—

হা-উং, হা-য়েং
থৌবিতেং লোয়বিতেং চকলৈঙান তংলৈঙান
রাঙানভৈ উঙানভৈ সিনস্থভৈ সানস্থভৈ
চরোইনা খোংতমভৈ, য়াম্বীনা খেক্তমভৈ
হুইথৌনা চিকেংভৈ, কৈরেন্না য়াথোকভৈ
লংমাইনা মৈহলভৈ, লংমাই হিচিল হুইয়ানা
থিনখাইভৈ য়ৈখাইভৈ সিংকুপহৌ সিংকাইহৌ
পুবৈলোম্বা অঙক অঙাও হৌরববু
তমপাক লৈহৌমাই, লংমাই লৈহৌমাই
খাবা লৈরেন হন্না তাইরেন লোংনা পাইনা

লাইজ খিকফেন চাইরে কোরৌ মচা ঈ
রাংপন মন'ও ঈ, সরোই লাল্লোই ঈ
ফাক্ক লৈরোং ঈ, থয়োং চুম্বা ঈ
চীঙ্গোই নারল ঈ, চেংলৈ লুরাং ঈ
কম্বোং নরাং ঈ, থৌখুবা খুদুম ঈ
থোইনবা খাইদম ঈ, থাকপা পুরৈরোম্বা ঈনা
লাইজ খিকলেন চাইরবদা, চিয়া হেল্লে লাম্বরক্লে
পুরৈরোম্বা মরোল মরৈ থেংক্লে
খা-রাং, চুপচি লাইচি, লোংপোক, নোংচুপ
কেনরে, পানরে, তিলয়েংলগনু লাইয়েংলগনু
তিলসেংলবনি, লাইসেংলবনি হা-উং, হা-য়েং ॥X॥

পুরৈরোম্বা নাহাই/নাহৈরোন অসি ফাউবা সোল্লবদি তাইবঙ হবসেলে হায়না লৌনরগনি।

১১) হেবুরোন :—

হেবুবা খুমাবা লৈমাবা, অতোংবা অরেংবা ,ঙান্দুত কুপথন থম, রাউহুতু সরৈনেম, কুমজাগা ওইরিবা, থাজগা ওইরিবা, মৈথি সলাংগা থরান নোংলৈগ', উরিৎ চারাগা ওইরিবা, ঙাং-ঙোইবা য়েইমেংবা, য়োইচমলেন তমহৈবা, তম্পাক লেংল্লোই লাংগোই সেথা, সরোং পুংমাই তোঙ্গা, লৈকাই থোমদিল লাং-দিলগা, পথুপ পমাংগা পুমাংগা, পরৈ থাথোংগা তাঙখংবা, মোংবা য়ুমলাই কৈরাই সাগা তমহৈবা নংবু তাইরবনে।

কুমলিক লাইনা অমাং কৌক্র চিংথং লান্দা কুম্মেদে, কুম্বি পোক-পিনা কুম্বিহল, তরংনা তরংহল, কেগে য়াংখুক্তম নিঙোলবিনা, লাংলেন কোংয়াং ফৈনা লান্না। নেম্বী মকাসা, খোইনাইক্তম নিং-ঙোলবিনা খোইম নারোল নুংদা, লাংলেন তান্না ফারুা, কাওরেন সন খোংগুন্দা, মিংয়েংবিনা মিংয়েং হৌবা কুম, খোইনৌ মতা ঙাইরোইননা, পাউনোক্লবা কুম, খাম্বী লৈমা কোন্নুচা, হাওকু লৈমা তোনবিনা, চাদনা তলবু মহৌ, থক্লনা য়ুচাওকা চাদা কুম্মে হৌবা কুমদা, চেক্লা তোন্দৌ য়ুম্মোইব য়ুবা মৈয়োম্বনা, লৈতাং-সেংনত্তা, পালেন উহৈ চানা ঙাওনবা কুমদা, হুপক্লেন্না পুমথাংলোন, থরাম্না নুংগাংসা লৈকক্লা নারেং থাং, থাংজিং কেবাক হৌবা কুমবু, কুমস্না কুমনিক লাইনা, কুম্বী মনুং ওইবা কুমবু, কুম নোংদমলিয়ে।

সিনোং মৈনে পাইনোং মৈনে, করি হেন্নো করা হেন্নো হাওকুও, কসাও য়াল্লো, কসা খোংঙো য়াল্লো, কসা খোংমা য়োল্লো, লাইমা য়োল্লো, কসা তিল্লিয়ো খোমলিয়ো, সেম্বীয়ো সাবিও। কসা মাংদা চৎপা য়ারা লাইবু তান্ন ফেল্লো, য়ারা কোংখাং লাই, থিকথৌ থাদৌ লাই, অও অচৎ লাই, লোক্লাং তিন্নাং লাইবু কসা খোংনা তান্না ফেল্লো, কসা খোংদা ইনবি, কসা লনতেকমবি থুমতেকমবি, করুকমাব, কহাইমবি, সমলাং মাইঙৌমবি, থিকলাং থরাংমবি, সুককু সোইকু মবি লনকু থুমকু মবি ফোকু চেকু মবি কসা নংদি লনফুবীও, লোক্লেনবিও কাল্লো।

পোক্লেম্না, কসা নপাগী চাওবীগন্নু, থিংলৌ নপি তোনগন্নু, য়াইবী নন্নং নোংহৌগন্নু, ইপুও খোংনাং নিংথৌ খোংনাং য়াংতেকচোং মেন্দে নিংথৌ সোয়াবা, কৈরৌখা, মেন্দোং নুংগাই চৌং নিংনা কৈসি চৌং, লৈমা সমদোং পোকপু তাইনা খনবও হাওন্নু লাঙৌবী খাংদম লৌচাওবীবু তাইনা খনবও, নফো নঙা পান, নহৈ নরোং পানবু তাইনা সেম্বীরমও।

ইপুওঃ হুনগোই নিংথৌ, কাম্বা সলাম্বা সলাম মঙাম নমু তিংনা, পোংনুচা লৈমচা, নিংথৌ সমবুম মহারাবওঃ নমু পোংদি থা ১০, সগোল থা ১০, সামু থা ১০, সন থা ১০, ইরোই থা ১০, সন্দং থা ১০, হামেং থা ৫, ওক থা ৫, য়েন থা ২, ঙান্নু থা ২, খুন্নু নুমিৎ ১৫ নি, মিরম পোংলম সন্নম, ওকলম মাবু তাইনা সেম্বীও। ইপুওঃ লৌখোংজাও, খোংজাও লাইরুক লেনবও, লাইতোংখু কু নরম, লাইরাংলেন তা নরম, খুরোই হাওবা লম্মাং-দোংবু তাইনা খনবও, নসোইপানবু, নফো নঙা পানবু, তাইনা সেম্বীরমও,। ইপুওঃ কৌবরোনওঃ কৌবা লৈমচা-কৌন্নু লাইমচা, ককয়েন ফম্ফম্না, সংলৌনা, কাম্বা তেকপি চৌংনে, তেকপি খবুং চৌংনে, খবুং তংলৈ চৌংনে, মানা তাবা ইয়া পনজা চাংনে, সেকরা তাংদম পুংবু তাইনা খনবও, নফো নঙা পানবু তাইনা সেম্বীরমও। ইপুওঃ সম্বোং নিংথৌ উফুকলেন উরুমলেন, চেংজা ঙাইরোংতোনবু তাইনা খনবও নফো নঙা পান্ন সেম্বীরমও। ইপুও থাংজিং নিংথৌ, থাংজিং কোইরেন নিংথৌ চাওবা কোইরেন

নিংথৌ মাংবা কোইরেন নিংথৌ, কোইরেন অহুম লোইবা বাক্তেমও, পোৎপিনে, পোৎথাংনে, সিংজংনে, বাখাইনে, নিংথৌ মঙাম্বা পামরু চেগাই ওইনম চৌং, সনা পুম্বোংচৌং, লৈময়াই, থম্বাল নোংসালৌ, চৌংয়াই সান্দেংলৌ, কেগে সিংজ ফাইবু তাইনা খনবা থাঙা তোনবা, নিংথৌ মোইরাং লাইতোং লৈমা খাংনৌবী খাংনৌপু, কেগে চৌংসা পুংদা তাইরবনি হে ঈমু ॥×॥

হেবুরোন মিংথৈরোন অসিদি - অপোকপা খুরুম্বদতা নত্তনা, থৌনিরোন খুদিংমক্তা সিজিন্নগনি অত্তুগা কসা খুরুম্বদসু সোনগনি।

১২) **খুম্হোকলোন :—**

খুনুংনা লৈনুংনা পোংকপিনা পাম্বীন,
খান্নুনা ঙাম্নুনা নাহানা ন্নবিনা
য়াবাউ ফুথোংউ বাক্তেংউ ফৌম্নুউ
ফৌম্নুথোক ফৌরাথোকউ পুলাং লুরোইথোং
লাইজ ঈপালবাই ঈমু ময়োন সং
লৈরাই হুইসোনকা মচেম মনিংতাও
মোইথাপ মোইরেং মঙাওউ হৈকোই মসিংসু
লাইরেক ফিকমফাউগী সরোই লাল্লোই মতিমউ
তিলয়েৎপা লাইয়েৎলা তিলয়েৎলগনু, লাইয়েৎলগনু
হা-উং, হা-য়েং ॥÷॥
পোইরৈনা কংলৈনা উরা লাইজিরু,
খোইনাই ওমপুন, চেংলৈয়াং থাওতৈসু,
হাওচেংয়াং নমপুসু চেংলৈ উন্নুংতা,

হেমচেং খাপৈপু, লাংজা লৌপুযে,
খোম্মীতোক উভামপৈ চাগ্নাইপি হাউদলবাই
বাঁরী বাইতোন থাংভা যুচেং
কৈখু কৈরেন লিংপি, বাইজা লিক লিবাথা
তাংখম লিবাপোক সোইপি সোইয়াম মতাডৈ
সরোই লাল্লোই মতিনডৈগী পান্নরে সেংনরে
তিনসেংনরে লাইসেংনরে হা-উং হা-য়েং ॥ঔঁ॥

হিসোইনা লাল্লোইনা উমতুডৈ বাউতুডৈ
মিনাইডৈ, নাইনাইডৈ সোইকাই খমকাইডৈ
ভারা ভাসিং য়াংডৈ সোল্লম পাইরম মচংডৈ
ইরক লমলক মকেটৈ, সরোই লাল্লোই মতিনডৈগী
লৈচেম হাওতমপান, চানেম যুনেমপান
থোংগ্রাই মেন্দং লাকপা লেংনা
কোংবা চিনাংখু চিংগ্রেন সজিক লোন্নম থুম্বী
লৈছৌ বাখা লৈতেং, চিংগোই নাবন
থোংখোংকারন থৌপান য়িখোংকাই
কাবোং ভাইখোং মাতাটৈ, চিনলেন মাইকোরেন
লারাক খাংতৈ থোম বাইরং খোইনিংমেন
কানিক খাংতোম লাবডৈদা সারোই লাল্লোই মতিনডৈগী
পান্নরে সেংনরে তিনসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥ঔঁ॥

খুরাই অঙৌবা য়িনখু য়ুমলেনবা
চকপা লমবু কোনখাং লাইজোবা
য়াওরৌ কংদথেন নারৈঙম ময়াইরম সনকৎলম
নুংখোং-নুংনাওবী, ফুরোই চৌংঙা রংয়ান
থোংক্রাম্বী মারুং উরান কৈরাও
পোইরৌ হুমলৌ সিকোং লেংখু
লেংলেন ভাঙৈদা, চিনলেন মাইকোরেন
লারাক খাংতৈথোম রাইরং থোইনিংমেন
কানক খাংতোম লাকভৈদা সারোই লাল্লোই মাতিনভৈন্নী
পান্নরে সেংনরে, তিলসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥+॥

রাংখৈ অপোকপা ফোরা য়াংলাইকোকয়ু
লৌরেম্বম তোংনেম্বন্না পোকপা,
পানম য়াংকোকপনা সাজেনলম,
কোংবা হিকু হিপান, খাথোং, লাইথোং
পারাসিংথি তাক্লা লিনচিক উৎলৌ
চিংখম চাওপোক কোইচিং কোই, মাহৌ
কদোং কারাংচৌং, তোকপা য়েনফৈচৌং
থিদাম চৌংখুন্নু হাইহৈরেম, সেনখোংপাৎ
খুঞ্জানা ভানু হাইচেকপা চকপি ঈরায় তাঙৈদা
চিনলেন মাইকোইরেন লারাক খাংদৈথোম

রাইরং খোইনিং মেন, সারোই লাম্লোই মতিনঙৈগী
পান্নরে সেংনরে তিলসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥ ॥

খাংস্থ অতোপা লানাসিংনদা, নরম ফৈরোংবা
চীংখোংহম্বা কেক্রুপাং, কসানা সনকৎলম
নৈদিংঙু উরা কোম্থোবা লুরোই চীং
চীংমৈবোং ভাবংয়ান, যাডমথেন অসৈবাংবী
চীরক পিপান-হংগেল পৌরাবী
মৈরোংবা মৈরোংবি ইরেং ইখম, কৌবা কৌনু
চাংখম চাংমৈ, হিয়াং হিরেন, সিংমৈ উমৈ
মভাংডৈ মতিনঙৈ, সারোই লাম্লোই মতিনঙৈগী
পান্নরে সেংনরে, তিলসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥ ॥

উমু খুপুংগোই থোংগ্রাইবা, খুমল-চ মাইবা
সুম্বা লমপাল খোইপোকপাং লৈমেন চাকোইপাং
খোইচু লৌমোন পাং, পীতিংকোই লালবিচা
তল্লা উয়োককোন নিংথৌ সোপাইবা উরিংকোন
সিংথা লৈযোম ককলৌ তাওথোং লোইজিং লোইতাঙৈদা
সারোই লাম্লোই মভাঙৈ মতিনঙৈগী
পান্নরে সেংনরে তিলসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥+!

লেমলৈ খুন্নিং ইবা খুদাং য়াইখুবা
য়াংলৌ নাহামাং উরিপোক খোংসায়াম
তাকয়েন লমফেল, য়ুচিং লাংচিং
য়ুচেং পেরে লানচেং সারে
লাংজীং ফিবৌ, নাওবা খোইমোম
য়াংলৌ তৈতু, চুপান মখা, সজিরৌ উংলৌ
নম্বোল কাংঙাবুংনা চীংবা, ফুবা খাবী নম্বোল মতাংঙৈ
সারোই লাল্লোই মতাংঙৈ মতিনঙৈগী
পাম্নরে সেংনরে তিলসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥ঞ্ঁ॥
খাইখোং মরিন লাইতোল হেল্লাই থুমসা
লমবুন রাইনৈ, চীংঙা পিস্থম
হৈপোক নারিন, তৌরিংবা লনয় ই সরেন য়াংকোই
লোক্তাক হাওতাক, তাকমূ তাকসেন
সেম্রা থাঙ্গা করাং, খুগা মান্তক, চকপি
লৈখোমতাংঙৈদা সারোই লাল্লোই মতাংঙৈ, মতিনঙৈগী
পাম্নরে সেংনরে তিনসেংনরে লাইসেংনরে
হা-উং হা-য়েং ॥ঞ্ঁ॥

য়াইস্কুল খোংলেন য়াইচমপাৎ; মুতুবা হৈরাংখোই
হৈসনাম নামজৌবা, ককরা তিনপান
লিল্লোং থরোং তবুংবা, চেগাইকৈ কৈম্মাংসাং

সারোমপন ওাহৈ ফিফৌ, লৌখু অচনবা
নোংয়াই লৈকোইপুং, উচিবা খোইদোম পান
কাকয়েনসোই ফোগাবচাও, পুমলেন হাপসা ইথাই পুনম চীং
সুকুন্ন ইবাইতাগী, থাবৈ লেমলৈ মতাঙৈ
সারোই লাল্লোই মতিনঙৈগী পানরে সেংনরে
তিলসেংনরে লাইসেংনরে হা-উং হা-য়েং ॥×॥

লাইরোন অসিনা তাক্লিবদি - পোঃরৈ লমদম অসিদা, তিল-য়েংনরম্বা, লাইয়েংনরম্বা পুম্নমকপু, তিলয়েংনদনবা, লাই-য়েংনদনবা তিলসেংননবা, লাইসেংননবা তিল, লাই তাইনবিবনি।

১৩) অপোকলোন :--

কংলৈবু লমাইলও লমলেনবু অনিথোকও
তুমেনবু অহুম থোকউ, লৈমুরোনবু তরুক থোকউ
লৈহাওরোনবু মঙা থোকও, লৈখাবি লৈরাম্বী
অপোকচম্মু খাংঙোই য়াংঙোইবি, তমপাক পোকপি
তমপাক লৈস্থক-লোল লোনয়াম্বী
তমপাক পোকপিগা, নিংথৌ পোকপিগা
হুপলা হারাগা কোন্দে সেম্বাংগা
চানা ইমিগা, ভোংলেন লৈসংগা
সিংক্রেং লাংভাজেগা, য়াংলা থোবোমগা
সত্থ য়েংদৌ তৌমু তৌহাও

চারোং ফাইবংগা, তোংমা ভুমোইগা
পোকলিরি নংবু নেমসিক্কে, মনেম মতাই থোক্কে
মতাই মনেম থোক্কে, হা-উং, হা-য়েং ॥×॥
য়েনকোকয়েন, চুপয়েন চাময়েন, চেংকুপ পানতোং
উচিনা রানসাবা য়ে-খুরৈ তেকতেকপান
সংলৌ রাংগন অকনবা য়েন্থ্রাম নাপাকপা পোকলিবি
নংবু নেমসিক্কে, মনেম মতাইথোক্কে মতাই মনেম থোক্কে
হৈকক থাংজিং, থরো লেমফু, খেংউতুম মাইরেন কৌখা,
ককলা, ঙাচক, কোমোনগা পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে
মনেম মতাই থোক্কে মতাই মনেম থোক্কে
হা-উং হা-য়েং ॥+॥
হুইচিন হুইয়া, মেল্লি সেরাংগা পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে
মনেম মতাই থোক্কে মতাই মনেম থোক্কে
লৈসোক থোনকম হাওরৈ ফোলাং
কোনবি কোংয়াং পাংকোং নাওতু
চিংহাও লৈসং, কোকলেন ল্যাস
ঔরি ঔরাকা পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে
মনেম মতাই থোক্কে মতাই মনেম থোক্কে
হা উং হা-য়েং ॥∧॥
উপি উরেন তনমু তলহাও হিয়াং হিরেন
উখোক থাংথোং ফৈজা ফৈঙৌ, মিসি থাংয়ান
সৈহী কুহি উপন উনিংথৌ তাইমরেং

উম্মিন খলগা পোকলিবি নংবু নেমসিকে
মনেম মতাই থোকে, মতাই মনেম থোকে।
হা - উং হা - য়েং ॥✲॥

লিথিক, লিরেন, হুমপোক সাগন য়াইরি
থায়ুং লিরেন য়াইথমপোং ইরোক ২ পাফল্লি
চীংসাং ২ লামথারি, পনসা থোংসালি
পল্লোই থোংলোইলিগা পোকলিবি নংবু নেমসিকে
মনেম মতাই থোকে মতাই মনেম থোকে
হা - উং হা - য়েং ॥✲॥

সন্থোং হৈমরি, হৈময়াই হৈয়িং হৈজাং,
চীংহৈ, লেনহৈ হৈস্থক হৈসোই য়ামপি খাকোই হৈ
থুম্নাম হৈ, লিনচামহৈ, হৈবা, হৈবোং পেরেনহৈ
কাংগ্রৌহৈ হৈয়িং, হৈবুংগা পোকলিবি নংবু নেমসিকে,
মনেম মতাই থোকে মতাই মনেম থোকে
হা - উং হা - য়েং ॥×॥

ৱামং - উমং - লিৱা লোংৱা লাইৱা উতং,
উয়েংউই, উনান, নারিনগা পোকলিবি নংবু নেমসিকে,
মনেম মতাই থোকে, মতাই মনেম থোকে।
হা - উং হা - য়েং ॥×॥

চংবি লামুং লায়াই-লা, যুতাও থাংপাকলা
কাইরং থুময়োম-লা৹ মোইথাপ মোইরেং লাকা
পোকলিবি নংবু নেমসি'ক্ক, মনেম মতাই থোকে,
মতাই মনেম থো'ক্কে হা - উং হা -য়েং ॥※॥

তরা তোংনুথি লিকসি খারোথি য়াইসেন যাইফৌ
চাজাক চাহৌ পুমানবী লাংমান-বি, চেংলি-বোযা
ফৌগাক মোৱাসি, মাকতং ফৌরৈমা, ফৌনিংথৌ
ইরোইয়া কৈতেকপিগা পোকালিবি নংবু নেমসিক্কে
মনেম মতাই থোক্কে, মতাই মনেম থোক্কে।
হা - উং হা - য়েং ॥+॥


চীংফৌ, তমফৌ, চয়িন, মুক্লাং চানান, চংলৈ
হাৱাই ঙৌজা থোইদিং, কৌপাক, কোক্লেং খোম্লেং
পানকুক পানফোই, সিংখা, সিংথুম সৌগ্রী, ময়াংবা
তিলহৌ চনম থাংপাক মেমান, লিনাই খোইনাইগা
পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে। মনেম মতাই থোক্কে,
মতাই মনেম থোক্কে, হা - উং হা - য়েং ॥□॥

ঙারা ঙাসিং, খৌরেন খৌয়া য়াংকন সুজা
সরেং মৈহন ঙারেন কোকপাক, পেংপা, মুক্লাং
ঙারোই, ঙাথি, ঙরা, তেল্লোং সমফা
ঙারিন তোংজেং, ঙাখা, ঙমহাই, নুংজেং ঙাতুপ

নোংলোই কুমচেং কোকফাই থরোই খৌচাওগা
পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে, মনেম মতাই থোক্কে
মতাই মনেম থোক্কে, হা - উং হা - য়েং ।। X ।।
মিচং মিখোম, লুইমোম য়েনমোম
সাগোল, সামু, সামুক, ইরোই পোকলিবি
নংবু নেমসিক্কে, মনেম মতাই থোক্কে
মতাই মনেম থোক্কে। য়িমসা, লমসা
তোকপা, কাম্বা, সামু, লৈরাং নুংঙক পাইপং
খুপিং খুপাই, য়োমু, য়োংসেন, খৈরোই উপেংগা
পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে। মনেম মতাই থোক্কে
মতাই মনেম থোক্কে। সেকপি সেম্বাং
ক্বাক, চরোইতু, চরোই য়াম্বী, উপোং উরাগা
পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে। মনেম মতাই থোক্কে
মতাই মনেম থোক্কে। লৈরুম, নোংলুম, তিনফা
কাকফৈ, ককচেং খোইয়াগা পোকলিবি নংবু নেমসিক্কে।
মনেম মতাই থোক্কে, মতাই মনেম থোক্কে
হা - উং হা - য়েং ।। □ ।।
লিনসুক লিন্দেং, চৌংলাই, তমলাই খাওরৌ, তাংলৈ,
তিলপুন নাপুন হংকোক, নারিনগা পোকলিবি
নংবু নেমসিক্কে। মনেম মতাই থোক্কে,
মতাই মানম থোক্কে। হা-উং হা-য়েং ।। + ।।
অনম অথৌ কোকপা ল্যাইসোল মতাং অসিদা লোইরে/খৈরে।

হৌজিক্তি থৌনিজগদৌরিবা মীতুগী মসা মসাগী সলাই মী হৌরোল পুকোক খন্বীরগা সলাইরোল সৈথাডুনা থৌনিবীরগনি।

সলাই মীহৌরোল পুকোক



চাক-থাং

১) মঙাং সলাই পুরারি :—


লৈকক লৈয়ারেন চনুনা নুমিৎপু কোল্লে। পাখংবগী লাংওল "লৈসংলেন অসংবা" (ঙাসাবা) পোকই। থাদি-ইঙা থাদনি। মাকমৈদি-থানিল (পুর্নিমা) দনি। অয়ুক্কী খোংলৈ মচুনা ঙাংনা য়ুংখৎলকপা মতমদা কংলাগী বাংকোনশংদা পোকখি। অদু নোংগী মতম খোংলৈবু লৌডুনা পোকখিবা পা-চা সলাই খুন্থোক মমিংবু "মঙাং" হায়না কৌখিয়ে।

সলাই অসিগী চয়োল মিংথৈদি-লাইরেন তাওদম্বনি। লাইয়েক মচুদি অঙাংবনি। ফিরোই ফিচুদি-অঙৌবা (পসোৎ) নি। মাইওন্দি নোংপোক্নি। মাইকৈ লাইদি-অতিয়া সিদবনি,। লাইক্ষম নুংপাৎ, উদি-মুংজেংনি। ইরম ইপু লাইদি-ঈঙাং লাবনি।

ঈ মিংখৈদি - তরংঙাংনি। কসা মনোংথৌদি-পাখং য়ৌইরেম্বনি। লাই ইবুধৌদি - পাখংবনি। অপোকপ্সোন য়ুমদাবাদি - সেম্রেংনি। থবানমিচাক্তি - থয়াইনি। লৈমরেন্দি লৈকক লৈয়ারেন চন্নুনি। নাওরোইবি লৈমদি-য়াবিরোক্তি। লৈমা সাগোলসাদি-তোকপনি। চীংঙ্‌ মপুদগী থোকপা সাখাইদি - মিৎ য়েংতগীনি। লৌনখিবা সাখাইদি - সিয়ংনি। অতিস্লোন অপোকলান্দি - অতিংকোক সিদবনি। তিল্লোন লৈমরেন্দি তাওবিরোইনাই -সিদবীনি। সন্ন-চাং মসুং ৯ দি - কংলৈ পুংময়োন্নী। নিংনা পুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংখৈরেন্দি তিনঙাংলেন সংদরেং লৈহিংচিনী। লাইন্নুরাদি - য়াইপোকপিনী। সলাইগী নামুংবা য়েলহেন্দি - নিংথৌরেম্বি, সেবোংপ্রিলমাম্বী, ১সুং ঙারিনন্নি। হকসেং লাইজদি - নুংজেং পুখ্রিদগী মাই নোংপোক ওন্না সোক্তনিয়ে। নাহাইরোন্দি। উরুং তাইরেন মনানি হাইনা সোনগনি। লৈরাং লোন্না-থম্বাল অঙাংবা মনা ১০৮ পাম্বনি হাইনা সোনগনি। তাউজিং লোন্না-থমচেৎ, ঙানা - স্নারেং অঙাংবনি, লাইগী লাদি - থম্বান মনা ১০৮ নত্রগা চংবী লানি। লাইগী সৌঙদি - সম্বিনী, মৈহৌ-রোন্না - মৈয়েনি। লাইথাংদি - চাকথাং - ২ নি তাক্কা সোন-বীগনিয়ে ॥ X ॥

সলাই পোংলমসিং সুনা, সলাই লাইরোনবু পুক্লিং চংনা সোম্বী কংপীরগা থৌনিজরিবসিংবু পুক্লিং থবাই লুপ্পা তাহম্বীরগা থৌনিবীগদবা ওইয়ে।

লুব্রাং সলাইগী লাইথাং



ব্রাইথাং তোন্দুম্বা

২) লুব্রাং সলাই পুব্রারী :-

তুংব্রাইবী চিনফুরোন লৈচিক ঙাম্বী থোইন্নু না ঈরোই মকোক পাম্বা লাইবু কোল্লে। নোংদমলেন অথুবা (পোইরৈ-তোন) পোকএ। মতমদি নোংমদোল কোরৌ মমিনা লু-ব্রাংনা ঙৌরোক ঙৌনা ব্রাংলকপা (যুংলবা) মতমদা পোকই। অদু নোংগী মতম খোংলৈ লৌনা সলাই খুন্থোক মমিংবু 'লুব্রাং' হায়না কৌখিয়ে। থাদি-ব্রাকচিং নোংমঃ পানবা ইব্রাইনি।


সলাই অসিগী চয়োল মিংথৈদি - তাউহুইরেং অহম্বনি। লাইয়েক মচুনা-হিগোক অব্রাউবনি। ফিরোই ফিচুনা - মেম'ম্বনি। মাইওন্না - লিক্লম্নি। মাইকৈ লাইদি - কৌবরেন্নি। হকসেং লাইজদি - লমফেলগী সঙ্গাইয়ুমফম কফুৎ তরেৎ কাম্বীগী মমাংদগী লিক্লম মাইওন্না সোকনিয়ে। লাইফম মুং পাৎ উদি - লমফেলনি, ইব্রম ইপু লাইনা - ইমুব্রাবনি। ঈ-মিংথৈদি - অং-অং নি। কসা মনোংথৌদি - কৌক্রু অচিবনি। লাই ইবুধৌদি - পোইরৈতোন্নি। সলাই য়েলহৈনদি - লমথুন্নু অমসুং কবোকংনি।

অপোকলোন য়ুমদাবদি - লুল্লাং পুন্সিবনি। থল্লানমিচাক্তি - নোংথৌ কুক সিদবনি। লৈমরেন্দি-পিয়াইনুনি। নাউরোইবিদি-থোইনুনি। লৈমা সাগোল সাদি - ইরোইনি। চিংঙ্ মপুদগী থোকপা সাখাইদি - লিনফুনি। লৈনখিল্লা সাখাইদি - থোপনি। অতিয়লোন অপোকলোন্দি - অতিংকোক সিদবনি। তিল্লোন লৈমরেন্দি - তাউবিরোইনাই সিদবীনি। সন্ন-চীং মস্থং ৯ দি - পোইরৈ পুংনি নিংনাপুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংখৈ-রেন্দি - তিনপুক্লেন লৈহিংচিনি। লাই নুরাদি - হিপোকপিনি।

নাহাইরোন্দি-উখোক তাইরেন মনানি, লৈরাংলোল্লা-খোংগম মেলৈনি। তাউজিংলোল্লা - কিহোমনি, লাইগী লানা-লারোংনি, সৌঙনা - উ হৈক্রুনি, মৈহৌরোন্দি - খোইজু মৈনি। ঙানা - সারেং সংলু-নবানি, লাইথাংনা - লাইথাং তোন্দুম্বা-২ নি। X॥

সাগৈ পুৱারী অসিবু ময়েক সেংনা, মরীক চুম্না সাগৈ পোৎলম স্নুনা য়াওহল্লীরগা সলাইরোনবু পুক্লিং খোইজংনা সোম্বীবদা থৌনিজরিবসিংনা থমোই হকচিন্না খোইজংনা তাহল্লীতুনা থৌ-জান থৌনিজগদবা ওইয়ে।

খুনম সল্লাইগী লাইথাং



লাইথাং তোনককপা

৩) ' খুমন সলাই পুব্রারিঃ—

মাঙব্রাইবি তোম্থাংন্ন - (চিনফুরোন লৈচিক ঙান্বী) না সামূ মকোক পানবা লাইবু মথান্নুংদা কোম্লে। "নোংদমলেন অখুবা" পোকত্র। সচিফুগী ১৫ নি পাম্বা থানিন (পুর্নিমা) লৈবাক-পোকপ নুমিৎনি। মতমদি - অহিং নোংয়াইনি। অদু নোংগী বাংলেন খোংলৈ লৌবা সলাই খুম্থোক মমিংবু - নোংয়াই খুমন হায়না কৌখিম্লে।


লাইয়েক লাইচুদি - অমুবনি। ফিরোই ফিচুদি - হিগোক্লি। মাইওন্দি - মথানি। মায়কৈ লাইদি - খানা চাউবনি। লাইফম নুং পাং উদি - পুম্লেন পাংনি। ঈব্রম ইপু লাইদি - ঈঙৌরাবনি। ঈ মিংথৈদি - কং - কংনি। লাই কসাদি - তাওবিরোইনাইনি। লাই ইবুধৌদি - অরোংবনি। অপোক্লোন যুমদাবদি - লুংবনি থব্রালমিচাক্তি - থয়াইনি। লৈমরেন্দি - তোম্থাংন্নুনি। লৈমা

সাগোল সান্দি - সামুনি। চিংঙ্ক মপুদগী থোকপা সাখাইদি-খুং য়েংত্তগীনি। লৌনখিবা সাখাইদি - মচুম্নী। অতিম্লোন অপোক্লোন্দি-অতিংকোক সিদবনি। তিম্লোন লৈমরেন্দি - তাওবি-রোইনাই সিদবীনি সন্ন-চাং মস্থং ৯দি - ওক্লসংনি। নিংনা পুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংথৈরেন্দি তিনম্বিরেন লাংলেন লৈতাংপোক্লি। লাই নুরাদি য়াইরৈমনি।

নাহাইরোন্দি - তাইরেন পুংফাইনি, লৈরাংলোন্না - সংকুপলৈ (সংবৈ) ১স্থং কাকলৈ, লৈসংনি। তাউজিংলোন্না - হৈক্রুনি হৈ-বোংনি, লাইগী লানা - চংবী লানি, ঙানা - সারেং অমুবনি। লাইগী সৌঙদি - চাউখোং নওগা হৈবোংনি। মৈহৌরোন্দি - মৈথাং ৭ লক্লি, লাইথাংনা - লাইথাং তোনককপা - ২ নি হাইনা তাক্লা সোণ্বীরমগনি। সলাই য়েলহৈন্দি - তেন্নানি।

■ সলাই পোৎলমসিং স্থনা সলাই লাইরোনবু পুক্লিং লুপ্পা সোপ্নী/কৎপীরগা থৌনিজরিবসিংবু থমোই কৎথোক্লা, পুক্লিং থবাই লুপ্পা তাহন্বীজুনা মপুথৌ মবেন্থোগী থৌজান থৌনিজহনগনিয়ে।

অঙোম সলাইগী লাইথাং



লাইথাং পুককপথাং

১) অঙোম সলাই পুবারী :–

লাইরিবি = অহুমনুনা - নোংলুম থাবু কোল্লে। "লৈসংলেন অসংবা" পোকএ। ইঙেন থাগী মাকমৈ ১২ নি পাম্বা নিংথৌ-কাবগী রাংলেন অয়ুক য়ুথক অমা নোংয়াই খোংলৈনা মেমাল্লকপা, (অঙৌবা লৈচিন) না ঈচিক হুল্লকপা (অমম অঙান সিন্নরকপা) মতমদা পোকএ। অদু নোংগী রাংলেন খোংলৈ লৌনা সলাই খুন্থোক মমিংবু "অঙোম" হায়না কৌখিয়ে।


কোরৌ নোংজা চয়োলদি-হুংচিং (লৈবাকপোকপা)নি । নুমিৎ চয়োল মিংথৈদি-য়োইময়াইনি। লাইয়েক লাইচুদি-অঙৌবনি। মাইওনদি - অরাংনি। মাইকৈ লাইদি - থাংমাই মারহনবনি। লাইফম নুং-পাৎ, উদি-কোংবা মৈরোম্বীনি। ইরম ইপু লাইদি - ইখৈরেম্নি। ঈ মিংথৈদি - কুপ কুপনি। কসা লাইদি-নোংথৌ সোরারেম্নি। লাই ইবুধৌদি - পুরৈলোম্বনি। অপোকলোন য়ুম-দাবদি-কুপত্রেংনি। থরান মিচাক্তি-থাদোম্নে। হকসেং লাইজদি -

কোংবা মৈরোম্বদগী মাই অবাং ওন্না ঈসিং পোক্কনিয়ে। সলাইগী নামুং য়েনহেন্দি - অঙোম য়েনসিন্নি। লৈমরেন্দি - মহোমনু ঙাঙোইনুনি। নাওরোইবী লৈমদি - খাকপা নিংথৌ চনুনি। লৈমা সাগোল সাদি - নেংনুম, কাংঙানি। চীংঙ্ মপুদগী থোকপা সাথাইদি - খৌরি ঙৌদগীনি। লৌনখিবা সাথাইদি - পুক্রি, অতিল্লোন অপোক্লোন্দি - অতিংকোক সিদবনি। তিল্লোন লৈমরেন্দি - তাউবিবোই সিদবীনি। সন্ন-চীং মসুং ৯ দি - সুম সংনি। নিংনা পুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংথৈরেন্দি-কুরুং কুপত্রেং হিংজিংনে। ঙ'ই নুবাদি - হিরৈমনি।

নাহাইরোনদি - তাইবেন মনানি। লৈরাংলোনদি - থরো অঙাংবনি। তাউজিংলোনদি-হৈবীনি। লাইগী সাদি-সারোংনি। ঙাদি - সারেং অঙোবনি। সীওদি - উপান্নি, মৈহৌরোনদি - মৈবানি। লাইগী থাংদি - লাইথাং পুক্কপ - ২ নি হাইনা তাক্লা লাইরোন সোম্বীগনিয়ে॥

[redacted] সলাই পুবারী অসিবু মপুংফানা মরীক চুন্না সলাই পোংলম সুনা থোবাংবীরগা পুক্লিং থবাই খোইজংনা সোম্বীদুনা থৌনিজগদৌরীবসিংবু পুক্লিং থবাই লুপনা তাহম্বীরগা মপুথৌ মবেন্তোগী থোক্লান থৌনিহম্বীগদবা ওইয়ে।

মোইরাং সলাইগী লাইথাং



লাইথাং য়েনবা মতোক

৫) মোইরাং সলাই পুরারি :—


চিংন্নু লৈমনা সজি মকোক পাম্বা লাইবু কোন্দুনা "য়ুচেং ঙাংনিংসিং" বু পোকএ। লমতা থাগী মাকমৈ ৩ নি পাম্বা থাংজগী নুমিদাং নোংয়াই য়ুথক তুংওইনা, ঈচিক হুল্লকপা লৈচিন নোংফাইনা মরাং মরাংবা মতমদা পোকএ। অদু নোংগী রাংলেন খোংলৈ মরাং-মরাংবদুবু লৌনা সলাই খুম্থোক মমিং 'মোইরাং' কৌখিয়ে।

নুমিৎ চয়োল মিংখৈদি - পরেং লৈসংবনি। লাইয়েক লাই-চুদি - অরাংবনি। ফিরোই ফিচুদি - মুনা ঙাংবনি। মাইওন্দি - সম্থোংনি। মাইকৈ লাইদি - থাংজিং লাইনি। লাইফম - নুং-পাৎ-উদি-লোক্তাক পাৎনি। ইরম ইপু লাইদি - ঈরং লাবানি। ঈ-মিংখৈদি-লোং-লোংনি। লাই কসাদি - সন্থোং লাইয়িংথৌনি। লাই ইবুধৌদি - য়ুচেংনি। অপোকলোন য়ুমদাবদি-ঙাংনিংসিংনি থরান মিচাকতি - চৌংজে, াইবিনি। লৈমরেন্দি - চিংন্নু লৈমনি।

নাউরোইবী লৈমদি - লৈনুং ঙাংসাবিনি। লৈমা সাগোল সাদি - সজিনি। চৈংঙ্‌ মপুদগী থোকপা সাখাইদি - নুংসিং থোংদগীনি। লৌনখিবা সাখাইদি - সিংজিনি। অতিল্লোন পোক্লেন্দি - অতিং-কোক সিদবনি। তিল্লোন লৈমরেন্দি - তাউবীরোইনাইনি। সন্ন-চৌং মসুংদি-মোংবা সংনি। নিংনপুংদি-কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংথৈরেন্দি-তিনমুরেন য়াইচৌংবানি। লাই নুরাদি-য়াইসনানি। হকসেং লাইজদি - লোক্তাক পাৎকি করাং কফুত্তগী মাই সল্লোং ওন্না ঈসিং সোক্নিয়ে। সলাইগী নামুংবা য়েলহেনদি - মোই-রাংখানম ১সুং সেনদাং চেক্লানি॥☐॥

☐ সলাই পুখারী মিংথৈরেন অসিবু উৰী পুক্লিং লোংদনা লিবীতুনা থৌনিজরিববু খোইজং খোইদানা তাহম্বীরগা মপুৰো মবেম্থৌদা থৌজান থৌরম পাংথোকপিগনিয়ে।

খাবা ঙানবা সলাইগী লাইথাং



লাইথাং চিঙ্গাইবা

৬) খাবা ঙানবা সলাই পুৱারী :-


থেরে লোংবম চন্নুনা - কৈ মকোক পানবা লাইবু কোন্দুনা 'খমজিংকোন' পোকএ। কালেনগী ১০ নি পানবা নোংমাইজিং সুমিত্তনি। কোরৌ মমিনা চপ য়ুংনা "থক খা ঙানবা" মতমদা পোকএ। অদু নোংগী ৱাংলেন খোংলৈ লৌনা সলাই খুন্থোক মমিংবু খা - ঙানবা কৌখিয়ে।

সলাইগী নমুংবা য়েলহেন্দি - কৈস্থমলা অমস্থং মোইরাং খানমনি। হকসেং লাইজদি সম্বুরৌ মখাগী "লৈতাং লাইরম পাংত" গী মায় চীংখৈ ওল্লগা সোকনিয়ে। ইরম ইপু লাইদি ইরৈমনি। ঈ - মিংখৈদি তে - তেনি। লাই কসাদি - মার্জিং লাইয়িংথৌনি। লাই ইবুধৌদি - তাওরিনখা অমস্থং খমজিংকোন ২ মকনী। অপোকলোন য়ুমদাবদি - ঙানবা চিক্লিবনি। থৱানমিচাক্তি - খাবা লৈতাংনি। নাহাইরোন্দি নাপু - নাসেং নাহৈ তাইরেন মনানি। ঙাদি - সারেং ঙাংলৈনবনি। লৈরাংলোন্দি

চল্লুইনি। তাওজিং লোনদি - হৈজাং নত্রগা হৈথুম্বনি। লাইগী লাদি - লৈহৌনানি। লাইগী সিংদি - হেনৌ নত্রগা চীং য়েনসিন্নি। মৈহৌরোন্দি - লৈখামবাইমৈনি। লাইগী থাংদি - চিন্নাইবনি। লৈমরেন্দি - থেরেলোংবম চহুনি। নাওরোইবী লৈমদি - পুরোই লেমলৈস্থনি। লৈমা সাগোল সাদি - কৈচেংলাংনি। চৌংঙ্ মপুদগী থোকপা সাখাইদি - থম্মোয়দগীনি। লৌনখিবা সাথায়দি-সিংখানি। অতিল্লোন অপোক্লোন্দি - অতিংকোক সিদবনি। তিল্লোন লৈমারেন্দি - তাওবিরোইনাই সিদবীনি। সন্ন-চীং মস্থং ৯দি - কৈস্থমসংনি। নিংনা পুংদি-কংলা নোংলৈয়াংনি : মিংথৈরেন্দি তিন্থরেং লৈহিংচি নি। লাই স্নরাদি - য়াইকুবিনি ॥ X ॥

■ সলাই পুবারি অসিবু মপুং ফানা মরিক চুম্না সলাই পোৎচং পোৎলম স্থনা থৌরাংবিরগা পুক্লিং থবাই খোইজংনা সোম্বিহুনা থৌনিজগদৌরিবশিংবু পুক্লিং থবাই লুপ্পা তাহম্বিরগা মবুধৌ মবেনধৌগী থৌজাল থৌনিংম্বীগদবা ওইয়ে।

চেংলৈ - সরাংলৈসাংথেম সনাইগী লাইথাং



লাইথাং খুমথোংথাং

৭) সরাংলৈসাংথেম সলাই পুরারি :—

অরৈন্নু লফুবি লিরি লৈমনা - হামেং মকোক পাম্বা লাইবু কোল্লে। খুম - খুম্ পোকএ। ফাইরেনগী কুনতরুকনি পানবা য়ুমসকৈসগী মুমিদাং রাইরমগী কোয়রৌ মমিনা অতিংঙা ওইরকপা (য়াচংলকপা) "লৈসা মীরেন" ইরিক থেমখৎলকপা, লিক্লা পোক-লকপা মতমদা পোকএ। অদু নোংগী রাংলেন খোংলৈ লৌনা খুন্থোক মমিংবু চেংলৈ সরাং লৈসাথেম (লৈসাংথেম) হায়না কৌখিয়ে।

সলাইগী নামুংবা য়েলহৌন্দি - উচেক সঙ্গাইলাবা অমসুং চাংগ্রংনি। হকসেং লাইজদি - 'তারুখা পাত্তগী' মাই নোংচুপ ওন্দুনা সোক্কনি। তারু খা - চেংলৈ সরাং লৈসাংথেম কংলৈনি। কোরৌ নোংজা চয়োলদি - মরৌ (সংগোলসেন) নি। মুমিং চয়োল মিংথৈদি - খোমথোক নানৌবনি। লাইয়েক লাইচুদি - অসংবা অরাওবনি। ফিরোই ফিচুদি - উরেং মচু অথকপনি।

মাইওন্দি - নোংচুপনি । মাইকৈ লাইদি - নোংচুপ অরিবনি । লাইফম - মুং - প্যাৎ - উদি - তাকুখানি। ইরম ইপু লাইদি - ইসং লাবানি। ঈ মিংখোদ - হে হোনি। লাই কাসাদি - মালং হুম্মোইবনি। লাই ইবুধৌদি - মুংমরিংবনি। অপোক্লোন য়ুমদাবদি - নুংঙৌ য়ুমথংবনি। থবানমীচাক্তি-লিকথা সাফাবনি। নাইরোন্দি - নাপি, সিংবী তাইরেননি। লৈরাংলোন্দি - লসং খেকবাইবনি। তাওজিংলোন্দি - সোলোমনি। লাইগী লাদি - লায়াইনি। লাইগী সাংদি - নোংলৈসংনি। ভাদি - সারেং রাউ-রুনবনি। মৈহৌরোন্দি - মৈথাং ৫ রক্তি। লাইগী থাংদি - খুম থোং থাংনি। লৈমরেন লনকুবিদি লৈমন্নানি। নাওরোইবি লৈমদি - চুইমু লৈমনি। লৈমা সাকোল সাদি - হামেংনি। চীংঙ মপুদগী থোক্লকপা সাখাইদি - লৈয়েংদগীনি। লৌনখিবা সাখাই-দি - উন্নি। অতিল্লোন অপোকলোন্দি - অতিংকোক সিদবনি। অতিয়োন লৈমরেন্দি - তাওবীরোইনাই সিদবীনি। সন্ন - চীং মস্তুং ৯ দি - খোংসংনি। নিংনা পুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংথৈরেন্দি - তিনসংলেন ঈসংচিনি। লাই ন্নরাদি-হিকুবীনি ॥+॥

সলাইগী পুরারী অসিবু মপুংফানা মরিক চুম্না সলাই পোৎলম সুনা থোরাংবীরগা পুক্লিং থরাই খোইজংনা সোম্বীজুনা থৌনিজগদৌরীবসিংবু পুক্লিং থরাই লূপনা তাহম্বীরগা মপুধৌ মবেম্থৌগী থৌজান থৌনিহম্বীগদবা ওইয়ে।

নিংশিংজবা :—


সলাই ৭ অসিগী অরি অনৌগী য়ুমফম মুং, পাং, উ, ঈশিংনা-চিংবা লৌফম সোকফম খেৎনবগী মওংদি পুথোকচদরে। ঈনাং-কী ওইবা অপুনবা মান্নবা খুন্নাই অমগী য়ুমফমদা ওইনা ইজরে। ইনাং কনবা লুপকী পাউতাক্কী কতুং ইম্না, ন্নুংগী ওইবা ব্রাখল-লোন অমদি লিক্লমদি পুয়ারোন্দা লৈরসন্নু।

"সলাই সকোক"

য়েলহেল হায়বদি - চাহৈদবা হায়বনি। সলাই চা সিংগী নামূংনবা (চাবা য়াদবা) য়েলহেল, মাগী মাগী সলাইগী পোৎসক অসি খংদতুনা চারুরবদি চিন - য়া শোকই, পুন্সি পিথম্লবনে খংও। য়েলহেল হায়বসি মখল ৩ থোক্লা লৈ। মতুদি লেংফদ্রবা সলাইগী য়েলহেল হায়বা অমা। অনিশুবদা — চুকসাবগী · " য়েলহেল " অনৌবা খনগৎপা অমা। ৩ শুবা য়েনমৌ-নখিবা, (চারুবদা সিখিবা) "য়েলহেল,, হায়বা অমসু লৈনৈ।

অসিগুম্বা ইপা ইপুগী থবক লিক্লমগী (চৎনা লমদাং) কয়া, মাংলু তারুরবসিংবু নিংসিমিন্নবা মতম ওইরে হায়না ঐখোইগী মৈতৈ ফুরপ্তা থমজরি ॥+॥

সল্লাই সাথায় হাউরোক কোম্বৌ



লাইথাং তোনকোনবা


৮) হাউরোক কোম্বৌরোন :—

থাদি - থরান্নি। মুখিত্তি - নোংমাইজিংনি। কোরৌ নোংজা চয়োন্দি - লখ্নি। লাইয়েক লাইচুদি - পিথ্রাই মচুনি। ফিরোই ফিচুদি - কোম্বীরৈনি। মাইওন্দি-মৈরম্নি, মাইকৈ লাইদি-রাংব্রেন্নি। মিংখৈদি-অংচিনি। লাই কাসাদি-পাখংবনি। লাই ইবুধৌদি - রাংব্রেন্নি। অপোক্লোন য়ুমদাবদি-মুবা, খাংচেংনি। থরানমিচাক্তি - হাউ করেংনি। লাইফম মুং পাৎ উদি - শুগুমুনি। ইরম ইপু লাইদি - ইরাওবানি নাহৈরোন্দি-নাথাই নাতাং তাইরেন্নি। নৈরাং লোন্দি-য়েরুম নৈনি। ঙাদি - সারেং ঙৌরৈনবনি। তাওজিংলোন্দি - হৈবুংনি। লাইগী লাদি - হৈরানি। লাইগী সিংদি - বোরোইনি। মৈহৌরোন্দি - মৈথাং ২ রক্নি। লাইগী থাংদি - তোনকোনবনি। লৈমরোন্দ - হুইমু লৈমনি। নাওরোইবা লৈমদি - লাংকাপ্নিনি।

লৈমা সাকোল সাদি - নোংকৌবীনি। চীংঙ্ মপুদগী থোকপা সাখাইদি - লু তোংদগীনি। লৌনখিবা সখাইদি - লুমলেন্নি। অতিয়লোন অপোক্লোন্দি - অতিংকোক সিদবনি। অতিয়লোন লৈমরেন্দি - তাওবীরোইনাই সিদবীনি। সন্ন-চীং মস্লং ৯ দি - লৈখোম সংনি। নিংনা পুংদি - কংলা নোংশৈয়াংনি। মিংথৈ-রেন্দি-তিন ব্রাংকোইরেংনি। লাই মুরাদি-হিন্নুং হিন্নিবীনি ॥×॥

সলাইগী পুবারী অসিবু মপুংফানা মরিক চুম্না সলাই পোৎলম স্নুনা থোরাংবীরগা পুক্লিং থবাই খোইজংনা সোম্বীদুনা থৌনিজগদোরীবসিংবু পুক্লিং থবাই লুপনা তাহম্বীরগা মপুখো মবেম্থোগী থৌজান থৌনিহম্বীগদবা ওইরে।

সলাই সাথাই উরোক উসা সলাই



কুপফেং-থাং

১। উরোক উসা সলাই পুরারো :-

থাজা মাকমৈদি লাংবলনি। নুমিৎতি-থাংজনি, কোরৌ নোংজা চয়োন্দি-তুপুনি। লাইয়েক লাইচুদি-কোবি মচুনি, ফিরোই ফিচুদি-কুসুমলৈ মচুনি। মাইওন্দি - লৈথক্কি, মাইকৈ লাইদি - থোঙারেম্নি, লাইফম নুং - পাং - উদি - লাংগোল নিংথৌলোকনি। ইরম ইপু লাইদি - ঈঙাং লাবানি, ঈ মিংথৈদি - কলেংনি। লাই কসাদি - অতিংঙা সিদবনি, লাই ইবুধৌদি-থোইনাই খুন্দাবনি। অপোক-লোন য়ুমদাবদি - কে-কেনি, থবান মিচাক্কি - উফোংঙানি, না-হৈরোন্দি-থিংনাং থাংতিং নাহৈ তাইরেন মনানি। লৈবাংলোনদি - কাক্লেনি। তাওজিংলোন্দি - কাংগ্রৌনি। লাইগী লাদি-ক'ক্লানি, ঙাদি - সারেং ঙাংলৈনবনি। লাইগী সিংদি - হৈবোংনি মৈ-হৌরোন্দি - মৈথাং ৪ রকনি। লাইথাংদি - কুপসেং থাংনি।

লৈমরেন্দি - তুংবাইন্নুনি। নাওরোইবীদি - মাংবাইন্নুনি, লৈমা সাকোন সাদি - উরাকনি। চাংঙু মপুদগী থোকপা সাখাইদি - উনসাদগীনি। লৌনখিবা সাখাইদি - সমনি, অতিল্লোন পোকলোন্দি অতিংঙোক সিনবীনি। তিল্লোন লৈমরেন্দি - তাওবিরোইনাই সিদবনি। সন্ন-চাং মসুং ৯ দি - লাংকোন চংনি। নিংনা পুংদি - কংলা নোংলৈয়াংনি। মিংথৈরোন্দি - তিনঙৌরোকনি। লাইন্নুরাদি - থিংপিনি ॥+॥

[redacted] সলাইগী পুবারী অসিবু মপুংফানা মরিক চুম্না সলাই পোৎলম স্নুনা থোরাংবীরগা পুক্নিং থবাই খোইজংনা সোম্বীজুনা থৌনিজগদৌরীবসিংবু পুক্নিং থবাই লুপনা তাহন্বীরগা মপুথো মবেন্থৌগী থৌজান থৌনিহন্বীগদবা ওইয়ে।

সলাই সাখাই ৯ অসি নত্তবা - চকপা সলাইগী —
১/ হৈরেম ২/ খুনজা ৩/ লেরা ৩/ খোংনাং ৫/ মান্তিং ৬/ সরা ৭/ থাংয়ি অসিনচিংবা কংলৈপাক্কী চকপা সলাই ১৪ গী লৈরি।

লৈসেমলোল অরিবা

মতৌ অদুম্না সলাইগী মসক লৈপ্পিরগা- ইবুধৌ, "ইবেম্মৌগী "মতিক-ময়াই" বু পিবাগী য়াফমদগী (চনিংদগী) পুক্নিং রাখন্না চিংসিল্লদুনা ইবুধৌ ৩ বু সেল-সং হায়না পুথোক্কনি, ইবেম্মৌ ৩ বুনা থৌগল তুংইন হনগনি।

১। লাইগী য়েং থংবা অহানবা কম্বালদা পু অহল ইবুধৌবু লেংসনবিয়ু॥

২। ময়াইগী কম্বালদা পু য়াইমা ইবুধৌবু লেংসিনবিয়ু॥

৩। অরুমম্বুবা লাগী ওই থংবা কম্বালদা পু অতোম্বা ইবুধৌবু লেংসনবিয়ু॥

অতুগা সরেন কংপিগনিয়ে

সারেন কংপগী পোৎলম:—

সারেং ১, ঙাপাং-ঙা ১, চফু ১, ইরাল ১, চেং খরা, য়েনসাংগী পোৎলম:- থুম, সৌঙ, মরোই মনা মসিং অসিনচিংবা চংগনি। য়েনসাং মথেল অহুমগী অচিংবা মচাক চংগনি। অদুম্না কসা অমসুং খাওবুনাইগীসু মা মচেৎ ২ দা চেং খরা, মনা মসিং খরা, হৈ-লৈ খর-খরা হাপ্পিদুনা কসাগীনা চিংথৈ ওন্দুনা কংথোক্কনি। খাওবুনাইগীনা কৌত্ৰ লিরুম মমাইনা নোংপোক ওন্দুনা কংথোক্কনি। ইবুধৌগী কম্বাল মমাংদা চফু মঙক্তা খুদমগী পয়া অমা পুল্লগা য়েংতা, ইরালনা ওইদা থমগনি। চেং, য়েনসাং মনা মসিং, ঙানচিংবা পোৎলম অচিংবা পোৎলমসিং কংপবু সারেন কংপা কৌই।

সারেন কৎপগী মিখৈরোন :-

হে পোকলেন পোকপা, সাংলেন সাংপী ইবুধৌ অহুম্মক, ইবেম্মৌ অহুম্মক, কুমসি চহিগী ... ... থাজগী ... ... নুমিৎ ... ... অসিদা সলাই ... ... দা পোকচবা সাগৈ নয়েকলু নচা ননাইসিংনা, সংলৌ মনা মসিং মরম ১০৮না খুজিং ওইনা, অমুম্বা মরম ১০৮ অসিনচিংবা সলাইগী হৈরম লৈরম পোৎলম সুনা, সারেং মৈসাংবা অমা, ঙাপাং, চেং অসিনচিংবনা সারেন চন্দুনা অহিংবা পোৎলমসিংবু নচা নমাইসিংনা কৎচরিবা অসি, হে পোকলেন পোকপা, সাংলেন সাংপী ইবুধৌ, ইবেম্মৌ মিৎয়েং তাবিয়ু ।

(অসি হায়রগা খুরুমজগনি)

সারেন কাইবগী মিংখৈ :-

হে পোকলেন পোকপা সাংলেন সাংপী ইবুধৌ অহুম্মক, ইবেম্মৌ অহুম্মক, ননাইসিংনা কৎচরিবা সারেন অসি কাইথোকচরগে। তরা লুরেন হৌরগা য়েনসাং মথেল লুকোই থোংলগা— অমুক কৎচগে হায়না পাউতাকচরি ।

কৎলিবা পোৎলমসিংদো খুবাক ৩ লক পোপ-পোপ খুরগা কাইগনি । পিবানা লাইগী লুক হৌগনি । য়েনসাং মথেল অহুম চমফুৎ ঙাথোংবা অনোইবনচিংবা থোংগনি ।

চবান চক্‌দা থোংলিবা চাক অতু থোংলিভৈদা খাবৈনা ওংপা য়াদে। চবান চক্‌তু লায়োন ও লোনতুনা খুমগনি। চবান চক্‌গী চাক অতু হাংদোকপদা চৌন্না কাম্বা য়াদে নামুংঙে। লাই-গীদদি থাও ঙৌনদে চমথোং ওইনা কংকনি। লাইগী কংকদবা কংপা লোয়রগা ঐখোয়গী চাবা য়ানবা কোন্না থাও ঙৌতুনা থোংবা যাই।

সারেন কংপা কাইগ্রবগী মতুংদা মফম অতু হায়দোক শেংদোক্ক'ন। অতুগা ইবুধৌ ওগী ফম্বালদা পিবানা লমজিং-লগা মাং থাতুনা ঈসিংনা থুং-সা শেংদোক্লগা লৈ থন্না পাইতুনা ইবুধৌ ওদা কংকনি, খুরুমগনি। সাগৈগী পীবা, মৌ, নিঙোন্না-চিংবসু লৈ কংতুনা খুরুমজগনি।

লৈ কংপা লোইরগা মফম অহ সেংদোক হাইদোকপীরগা লাইমাংদা লা-লাতোন অমা লোংনা থ রগা, পেনাগা চজিংগা থমগনি, পেনা খোংবনা লফুং (ফিদা) ১দা ফম্লগা ফম্মাং থোগন তৌতুনা শৈশক্কনি। অশৈ থোগল লোইরগা মফম অতু অমুক হন্না শেংদোক্লগা অমুক নৌনা লা লাতোন অমা লোংনা থারগা মতুগী মথক্তা মাইবীগী শরিক ১ থমগনি। লাংথৈ, মতোন ও থাতুনা কংকনি। মাইবীনা চংবী লারাক লাথোং থাইনা ফম্লগা শাগৈচাসিংগী চৌংঙ লাইপাও চেনগনি। লাইপাও চেনবা লোইরগা মফম অতু অমুক শেংদোক্কনি। লাইগী মমাংদা লা ১ থারগা-ঙসাইগী লুক হৌখিদা চাবান চফু অতু থমগনি। কিশিনা লাইমাংদা ওনশিন্না থমলগা পিবানা চফু মখুম

হাংদোক্লগা মাইবা অমসুং সাগৈগী অহল চিংবা লেংসিনবীদনা চাক্লী খুদম চাংদম য়েংগনি।

চাক চবান য়েংবা :

চবান চফুগী চাক য়েংথংবা ফম্মেলনা তোংলবাদি (ব্রাংলবদি) সাগৈ পিবাসিংগী যাইফে। চবান চফুনী ওইথংবা তোংলগা (ব্রাংলবদি) নিংঙোলসিং য়াইফবা খুদম পী। চনিং তোংলগা সাগৈ মচা মসুসিংগী য়াইফবা ওইয়ে। চমাং (মমাং) থংবা তোংলগা সাগৈগী অহলসিং ওইজ ওইথক ফংঙে। ময়াই কুংলগা ফম্মে। ময়াইনা তোংলগা, পিবাসু, নিঙোলসু য়াইফেয়ে। মরি থোক্লা ময়ি চংলম্নবদি পিবাগী ইমুংদা মাংবা তাক থোকনি। ময়াইদা তংখাই ভাবনা সাগৈ থংনৈ। চাক ১ যৈরগা মথক্তা চাক ১ তোংজুনা য়ুংজবদি মী সিগল্ল। ফম্মেলদা ওইরগনা নিপানি। পিবাগী ইমুং মনুংগী লাংফমনি। নাকথাজা ওইরগমা মুপীনি। চাক লৈতেম মায়রগা চাক মখুন ২/০ থোক্লা মখুন লোরবদি তপা সাগৈচাসিং মটম পুংলকই। লৈতেম মায়রগা চাক কুকুবা (মতুম মচা মচা) ওইনা ও লৈরক্লবদি সাগৈ পিবাগী চৈংকাবা সাগৈগীসু য়াইফবা ওইযে। ফংগা ফংদুম সানা ও থোক্লা তোংলক্লবদি ইবুধৌ ও গী থৌজন্দগী শুজলোমজবা সাগৈ মচা মসু, মচাক মরল কুরু অহন্না থৌজান পীকা খুদমনি থংগনি। চবান চফু কাইবা (চেকখাইবা) ফত্তে, চফুগী চাক চোংথোকখিবা ফত্তে। লোরে ওইনা কারগা চোংথোকখিবস্থ

ঘক্তে। মীসি মীনা পিবাগী ইমুংদ থোক্কল্লি। পেরেগুম্ন কারমংবদি (তোংলবদি) সাগৈ তংনুং পিবাগী য়ান্না কৈ। অদুবু খুদক্তা পুক্লিং চংনা ওনম অথৌ কোক্নো নাইহৈ নাসেং-বিন্থুনা থৌনিজগনি। অসিবু চাক চবান খুদম য়েংবা কৌই। খুদমসিং অসিনম্ন মদামদ॥

চাক চবান য়েংবা লোইরগা লুক্রেন অহুম সেমগনি। খাওবুনাইগী লুক্রেন মচা অমগা, কসাগী লুক্রেন মচা অমগা সেমগনি। য়েনসাং মথেল হুনা হাপকনি। কসাগীনা চিংথৈ ওনদুনা বংকনি। খাওবুনাইগীনা কোক্রু পাংবা থোদোং চাক থাকমদা মমাই নোং-পোক ওন্দুনা কংকনি। অদুগা ইবুধৌ ও লুক কংকনি।

ইবুধৌ ওগী লুক কংপা মতমদা চাবলুক সাসিংদো মরোন-(মথোল) অহুম লোনগনি। লুক কংপা মতমদা ফি অক্তোবা অসেংবা অমনা ফিজং ওাইহাক থোগনগনি। চাকলুক মাপা মাপানদা থেক্তক থংমৈ অমমম থানগনি। চাক য়েনসাং ঈসিংন, চিংবা থর-খরা অরাং অপা সাগৈ পিরানা থোগনারবা অদুগা ঈসিংনা চাকলুক্কী য়েত্তা থমগনি। য়েনসাংনা চাকলুক্কী মমাংদা থমগনি। চাকলুক্কী তুংদা লম্বুং (ফিদা) অমমম থারগা ফমদেংইনগনি। অদুগা লুক্রেন অদু সাগৈ ময়াম চংদুনা ইবুধৌ ও দা তারা লুরেন লৌখৎপিরো হায়না খুকমজরগা কংকনি। মৈগা মুংলবা মতমদদা লুক কংপা লোইরে হায়বা খনগনি। লুক কংপা লোইরগা অকম অমদা চাকলুকসিংদে থাদোকপিগনি।

পু অহলগী চাকলুক্না, পু অহলনা ফংগনি। পু য়াইমগী চাকলুক্না পু য়াইমনা ফংগনি। পু অতোম্বগী চাকলুক্না পু অতোম্বনা ফংগনি। মফম অহু সেংদোকপিরগা মফম অতুদা হৈরুক ৩, ক্য ৩, অকৎসেন (দখিনা) অহুমগা কৎচরগা সাগৈ মচা মস্থসিংনা পুম্না য়াইফ থৌনিজগনি॥

থৌনি বাহৈদি :–

হে ইবুধৌ, ইবেম্মৌ, ননাই ঐখোইনা ভাস কোরৌ নোংদা লুংভাইবা য়াইফবা, থৌজান পিবিরম্মু, হায়না চরৈ ফিগাও সানা নিজরি, পিনবীয়ু, পিনবীরে –
(ফিগাওসানা য়াদুনা খুকুম্বা)

মতম অসিদা ইবুধৌ ইবেম্মৌনা চাইথখিবগী সঙ্গোম অতু ঈরিক ঈচুম অমমমদং মখুবাক্তা থাদবীগনি। অহাম্বমক্তদা মখুবাক্তী শঙ্গোম ঈরিক অতু লবাই লুরেন থক্তা খিকনি ঈরিক থরনা (নৌনা লৌরবস্থ য়াই) য়াদা-চিন্দা থকনি। মতুংবু ইপা ইপুগী থৌজানফংজরবনি হায়না লৌজগনি অমস্থং অবা-অন, খুরৌ লাং পুম্না কোকপিরবনি খল্লগনি।

থৌনিজবা লোইরগা পিবা ওইবতুনা মাগী পিস্থম ২ গী মরক্তা ইবুধৌ ৩ বু বাখন্না পুসিল্লু, চনিং য়াফমদা ঈংত্রিক, ভাংত্রিক হায়না থম্মু।

মাংলমচংতদি "পিবা কম্বাল তোংবা" হায়বা থৌরম ১স্থ তৌনরম্মী।

মতাং অসিদা মাইবীনা লৈয়োম থোক্লুন সনা কম্বাল থক্তা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীশী লৈহুন তম্বীগনি। কুরু লৈরনম্মু তম্বী-গনি। কম্বাল পাম্বোম লৈঢ়ন, লৈমরেন লৈহুন তমগনি মাই-হনা অতাইরোন লাইরোন সোনহুনা থৌনি মতোন লোমগনি। অপোকপা খুরুম্বদদি লাই নোঙ্গাবা য়াদে॥×॥

২-অপোক অসা খুরুম্বা

সাগৈ অমগী নিংডাল, অতোপ্পা সাগৈ অমনা চাহাই মৌ-হাইনবদা য়ানরহুনা পিনরবদা অনি অনিনা খুজিং ওইনা মাগী মাগী সাগৈগী হৈসেম লৈসেন্নরগা হৈরান লৈরান্নহুনা অপোকপা, অপোক-পী, মপু মবেন, মবুধৌ, মবেম্বৌ নাকয়েৎ অনিগী সকথং মাইখংনবগী থৌনি থৌরমবু অপোক অসা থাবা (খুরুম্ব) কোই॥+॥

থৌনিরোনদি :— "হে পোকলেন পোকপা সাংলেন সাংপী, ইবুধৌ ইবেম্বৌ ওসি কোরৌ নোংদা .. .... য়েক/সলাই অনিনা মরান লুহোংলকপা (লংমাই তেঙনা ঈমগা তম্বা অসিদা খুরৌলাং পুয়া ডাকপিয়ু, তেকতা কাইদবা ওইহম্বীয়ু হায়না নচা ননাইসিংনা তাউজিং হৈরাং লৈরাং খুদোল কাজরক্লি, থৌজান পিনবীয়ু পিনবীরে" হায়না পোংলমাসং কৎকনি॥×॥

৩-ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা

ফুঙ্গা হায়বদি :— (ক) নুপা নুপী ২ না তাইবং য়ুম্লীংনবা, অসিগী য়ুমলেপ ইমুং ১ না য়ুমগী ময়াইদা থম্বা মৈ হৌফম অমা থম্লীববু ফুঙ্গা হায়গনি। ফুঙ্গা থম্বদা লাইগী ওইবা মফম তোঙানবা লৈবনা মফম য়েংনা থমগনি

(খ) অসিগুম্বা ফুঙ্গা নাইরবা য়ুম অদুগী ইমুংগী মীওই পুম্নমক অদুবু ফুঙ্গা অমা হায়-স্লু কৌই। মরম অদুন 'ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা' হায়বদি ইমুং অদুগী মীওইসিংগী মপা মপু অপোকপা খুরুমজববু খংনগনি।

ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা হায়বা অসি চহি অমগী মনুংদা ইমুং অমনা ৩ লক্তুং খুরুমজবা য়াই।

১) ইঙা থাদনা — লন নিগনি

২) লাংবন থাদনা — মচা নিগনি

৩) পোইনু থাদনা -- পুন্সি নিগনি।

হায়না মৈতৈগী অরিবা লাইরিক ময়েক্তগী ফংজে।

ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বদি – খুরুমগদবা থা অদুগী থানিল (পুর্নিমা) সুম্লিত্তা মাঙ্গোল ময়াইদা ব্রাই তৈথোকউ। অদুগা থাগী মঙালনা মাঙ্গোল ময়াই য়ৌরকপা মতমদা হৈসেম লৈসেমদুনা থাজদা পাউতাকপা (বার্তোন) কংকনি।

পাউত্তাকপা (ব্যত্ত'ন) গী পোৎলম: -

চফু ১, হমুরৈ মতোন ৯, তিংথৌ মতোন ৯, (ময়োন থারগা মনা ৫ থাকউ ময়োন সংকম্ভ), চেং খুৎনা থোকপা কূরাংবান ময়োন সোক্তবা মরু ৯, থোইদিং অমুবা মরু অচংবা ৯, ক্বা মতোন থোকপা ১, ফৌ খুয়া ১, হৈরুক ১, ক্বা ১, খোইরু থাংমৈ ১, মনা মথোক পল্লবা ১, পৈসা ১, পৈয়া ৩, পোৎলমসিং অসিনা থানিন মুমিৎকী থাগী মঙান্না মাঙ্গোল ময়াই য়েৌরকপা মতমদা পাওত্তাকচৌ॥

পাওত্তাক লাইরোল –

হে – থা থাজওা, কুরুনা ঙরাং নাহাল কৌবদি নংনে। ঙসি হয়েং কৌবদি মুমিৎ কৌবনে, হে ইয়ু কুরু নবিংঙানা থঙবিয়ু। ... .. সলাইগী মপা-মপু মবুধৌ ও মকপু ঙসিগী মুমিৎতা পোৎলমসিংসি কৎতুনা পাওত্তাকচরি। হয়েং থাস্থ (থাসি) মুমিত্তা তাৱা চাক চাবিরনবা পাওত্তাকচরি, ঈয়ু "নবিংঙানা" ইবুধৌ ইবেম্মৌদা য়ৌবিয়ু হায়তুনা পাওত্তাকচরি। মতাং অসিদা – থৌপুনা থাজদা পাওত্তাক্তনা খুরুমগনি। থৌনিজবাদি মুমিৎ ১৫ শুবা থাস্থ (থাসি) মুমিত্তা খুরুমগনি।

পাওত্তাকচবা লোইরগা পোৎলম পুম্নমক অত্থ লানা তোঙান তোঙান ময়োম য়োমতুনা চফু মহুংদা হানজিল্লগা। ফুঙ্গাগা লাইরুগা অনিমকী মরক্তা খুবোম ১ লুনা কোম ১ তৌরগা চফু অত্থ লারোন ৭ না মখুম খুমলগা ফুমগনি। হৈরুক,

কাদি ফুম্মিবা অতুগী মথক্তা থাবিরম্মু, (নত্রগা মফম অতুদা পাউতাক চফু অহু থমলগা, থুম্মোককুম্বা অসেংবা অমনা কুপ-তুনা থমলবস্থু য়াই) খুরমগদবা থাম্ব (থাসি) মুমিৎকী অয়ুক্তা মুমিৎনা মঙ্গোল ময়াই য়োরকপা মতমদা মঙ্গোল ময়াইদা। রাই তৈথোক্লগা লা-লাতোন ১ থারো। পাউত'ক-চফ লৌ-থোক্তুনা থম্মো, খুদম চাংদম, মথুম হা-দোক্তুনা পোৎসিংদো য়েংউ। চেংনা মতোন থোক্লবদি নিংবা থুংগনি হায়না খ উ। মতোন ২ নি থোক্লগা মহৈ অনি যংঙে॥

অসি নত্তবা লৈহম্মৌ পাউতাক-হায়বা অমম্থু লৈ। ম তুদি হয়েং খুরমগে হায়রবদি ঙসি মুমিদাংবাইরম কোম্মো দা লৈতুম অমা পাইতুনা মথক্কী পাউতাক লাঙ্গরোন অহুমক রাহৈ হায়রগা পাউতাকপা অসিবুনা "লৈহম্মৌ" পাউতাক কৌই। মসি তোইনা খুরুম্বা মতমদতা তৌগদবনি।

ফুঙ্গা অপোকপা থৌনিফমদি:— য়ুমগী মেন উরেপ ফকতোম মমাংদনি। মফম অতুদা চুক ৪ য়ুংলগা ফি অঙৌবনা ফিজং থনগনি। ফিজংদু মমাই অরাং ওন্দুনা ফাৎকনি। খুদৈ ৩ না কম্বাল ৩ থাগনি। মপা মপু মবুধৌ মফম ৩ দা কংলিবা হৈ-লৈ, চাকনচিংবা অসি অতোপ্পা ইমুংগী মীদা পিজবা য়াদে পিজত্রবদি মহৈ মরন মাংজৈয়ে।


(ক) ফুঙ্গা অপোকপ খুরুম্বা— ঐখোয়বু পোকপা ইপা লৈরবদি ইপানা খুরুমহল্লগা ইপাদগী ঐখোয়না ফিগাও সানা নিজগনি। ইপাগী চরৈ ফিজোন হোংগনি॥

(খ) ফুঙ্গা অপোকপা খুরুমতুনা মচা, মসু নিবা পী অতুবু পী, পা ওইবগী হকচাং কায়াত্তা, মতম অমসুং মহিক (জিবা) নচিংবা লৈত্রবদি খুরুম্মুতুনসু কান্নরোই, মচা ফংডোই। মতম অমসুং (ঋতু) মহিকনচিংবা লৈরবদি অমুক নত্রগা ৩ লক খুরুমজো সোইদনা পিবিগনি। ফংজরবা মতমদা পোইনু থাদা, মপুন্সি নিবিগনি। নিদবা য়াদে নত্রবদি অঙাং অদু পুন্সি তেনগনি থংও॥ ৪॥

থৌনিরোন কাংলোন:—

অমাইবনা অনম অথৌ কোকপা, হেক লোইবগা ইমুং অতুগী পিবাগী চনিং য়াকমদগী, রাখল পুক্লিংনা নিংজতুনা ইপা, ইপু, ইবুধৌ ৩ মকপু রাখল্লা মসক ঙইনা পুথোক্কনি। পুথোকফমদি - ফিন্নুংগী "হকচাং" দগী পুথোকহল্লো ইবেম্বৌ ৩ না থৌগলহল্লু। ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বদি ইপা, ইপু, ইবুধৌ পুরোন অহুমদা, খুরুমজবনি। ঐগী ইরন্নাইগী ওইবা থৌনিনি। ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা সাগৈ মীয়ামগী নত্তে। অসুম্না মাগী মাগী সঙ্গাই মীহোৎরোন পুকোক য়েংবিরগা পোৎলমসিং সুহনবীরগা সোনবীগনি অতুগা ইন্নাৎ থৌনি হৌগনি।

ফম্বালেন



সারেন চনফম

১। অঙানবদ — ইপাবু "হো - হু" কৌনা রাখল্লা পুথোকউ, ময়াইগী ফম্বালদা ইপাবু লেংসিনহল্লগা ফমদেং হনগনি॥

২। অনিস্থবদা — ইপুবু "রো রং" কৌনা রাখল্লা পুথোকউ, ইপুনা য়েৎকী ফম্বালদা ফমহল্লু॥

৩। অহুমস্থবদা — ইবুধৌবু "সো - সং" কৌনা রাখল্লা পুথোকউ, ইবুধৌনা ওইগী ফম্বালদা ফমহল্লু॥

মাইওন্দি অরাং এন্দুনা ফম্বাল ৩ থারিবা অতুদা রাখল্লা ফমহল্লু। সলাইচাসিংগী হৌরকফম পুকোক, নুং-পাং-উ, খল্লোংন-চিংবা সৈথাতুনা থোনিবিগনি। সলাই সাখাই ৯গী পুরারি ইরিবা অসিদগী মাগী মাগী খল্লগা সোনদুনা থোনিবিগনি। অদুগা সারেন কংকনি॥×॥

১ সারেন চনবগী কাংলোন :— ইবুধৌগী ফম্বাল মমাংদা চফু, ইরাল, চেং, ভা, য়েনসাং মনা মসিং পোংলম হুনা হাপতুনা অহিংবা পোং কংশবু সারেন চনবা (কংপা) কৌই।

■ সারেন চনবা :—

সা + হকচাং, রেন + থৱাইরেন, + চনবা (হকচাংদা - থৱাই মীরেন হাপ্পবু) সারেন চনবা কৌই। ঐখোয়না অহিংবা পোং ইপা-ইপু ইবুধোদা কংজিবা অসি করিগীনো ? হায়বদি ঐখোয়গী ইপা - ইপু তাইবঙ মালেমদা অচংবা, অহিংবা, থৱাই অসেংবা ওইরম্মী হায়বতুবু থোবম্না মসক থংহনবনি মরম অদুনা সারেন চনবা হায়বসিদি - যুঙ্গা অপোকপা খুরুমবদসু চনগনি, উমং লাইগী থৌনিরোন্দসু, সংগৈগী অপোকপা অসিনচিংবা খুরুম্বদসু সারেন চন্না থৌনিজগনি ॥

■ "তাইবং পানবা মপু - ঈপুরোই সিদবা" লাইওইবদদি ঐখোয়না করিসু কংনিংঙাই লৈতে। ঈপুরোই সিদবদি করিসু চাদে, ঈপুরোইনা পামজবদি - মীওইবগী অসেংবা থৱাইনা মমিৎতগী চেন্থরকপা পীরাংনা লৈরাং - লৈখন ওইরগা, খুৎফাং ১০ লোন্দুনা নোঙ্গক্লা হায়জবা নিজবা অদুতবু উজরগা পেনজে। ঐখোয়না থৌগনগীদমক্তা - "তাংবলদা" লৈরাং লৈকং তমজবনি হায়না ইপা ইপুনা তাকলম্মী ॥ X ॥

সারেন কৎপা :—

১। ময়াইগী ফম্বাল ইপাদা হান্ন কংলু - পান্থৌ ওসি লোইদাম ... ... — থাজগী থাসু (থাাস) ন্নমিৎ .. . . অসিনা নচানা সারেন কৎচরি মিৎয়েং তাবীযু পন্থৌ ॥ X ॥

২) য়েং থংবগী ফম্বাল — ইপুবোক্না অমুক কংলু। ইপুবোক ঙসি লোইদাম ... ... থাজগী থাস্থ (থাসি) নুমিৎ ... ... অসিদা নম্লনা সারেন কংচরি মীংয়েং তাবীয়ু॥×॥

৩) ওইগী ফম্বাল .. ইবুধৌদা কংকনি। ইবুধৌ ঙসি কোরৌ নোং .... থাজগী থাস্থ (থাসি) ... ... নুমিৎ অসিদা নম্লনা সারেন কংচরি মীংয়েং তাবীয়ু ইবুধৌ॥

সারেন কংপগী মিংথৈরোন :—

হে পোকলেন পোকপা সাংলেন সাংপী ইপা, ইপু, ইবুধৌ পুরোন ৩ মক ইবেম্বৌ পেরোন ৩ মক ঙসি কোরৌ নোং ... . নুমিৎ .... থাজগী থাস্থ (থাসি) নুমিৎ অসিদা সলাই ... . দা পোকচবা ননাই ... . না অসংবা সংলৌ মনা - মসিং পোংলম :— সারেং মৈসাংবা ১, ঙাপাং, চেং অসিনচিংবা অহিংবা পোংলমসিং অসি ননাইনা কংচরি। হে পোক্লেন পোকপা, সাংলেন সাংপী, ইবুধৌ, ইবেম্বৌ মিংয়েং তাবীয়ু॥×॥

সারেন কাইবগী মিংথৈরোন :—

হে পোক্লেন পোকপা, সাংলেন সাংপী, ইবুধৌ পুরোন ৩ মক ইবেম্বৌ পেরোন ৩ মক ননাইনা কংচরিবা অসি কাই-খোকচরগে অরা চাক লুক্লেন হৌরগা য়েনসাং মথেল লুকোই থোংলগা অমুক কংচগে হায়না পাওতাকচরি॥×॥

পোৎলমসিং অদু খুদাক পোপ - পোপ ও মক খুরগা কাই-গদবনি অদুগা লুক হৌগনি। য়েনসাং মথেল ● (চমযুৎ, ঙাথোংবা ১মুং অনোইবা) চমথোং ওইনা থোংলগা কংকনি। হেম্বদি য়াই, তাবদি য়াদে। থেং থাকপা লোইরগা চবান য়েংগনি। মথংদা লুকফম অগুম সেমদুনা কংকনি। কাসাগীগা খাওবুনাইগীগা অনিসু তোঙান্না শেন্নগা কংকনি। (চবান চফুগী চাক থোংবদা খাবৈনা ওৎপা ১মুং স্বরনা কাম্বা য়াদে - নামুংই)।

[redacted] ফুঙ্গা অপোকপা খুকম্বা ওইরবদি — চারুক ও সেমদুনা কৎপা মতমদা ঈপুবোক ১মুং ইবুধৌগী চারুক মখাদা ‘ক’ ইয়ু। ইপাগীদদি ইহৈদে। চারুক থাকমদি - ফম্বাল ও গী মমাং মমাংদা থাগনি। খাওবুনাইগীনা - হৌদোং চাকথাকমদা থাবিয়ু, মাই নোংপোক ওলহল্লু। মথেল সুনা হাপ্পীয়ু। কসা (লাইসোই) গীসু - নাকথা চুরি তাফমদা থাদোক্নি। চাক লুকফম মপা মপাদা খোইরু থাংমৈ অমমম থানগনি। লফুৎ (ফিদা) অমমম থাগনি॥

লুক কৎপগী পাওতাক মিংথৈরোল : -

হে - পোক্লেন পোকপা, সাংলেন সাৎপী, ইবুধৌ পুরোন ও মক, ইবেম্বৌ পেরোন ও মক, ... সলাইদা পোকচবা ননাই ... — না তান্না লুকোই মথেল লুক্লাংজবা লোইজরে ফংবিরো হায়না পাওতাকচরি॥ (খুরুমদুনা কংকনি)

লুক ফংলিঙৈ মতমদা ইম্নফি অসেংবা ১ মী ২-না পাইদুনা থনগনি। ঙাইহাক লৈরগা চাক য়েনসাং ঈসিংনচিংবা খরা খরা হাপকনি। থাংমৈ মুংগ্রবা মতমদতা ফিজং থনবা তোকউ।

অসুম্না ইপা, ইপু, ইবুধৌ ৩ না লুক্লেন ফংবা লোইরবগী তুংদা ইমাগা, ইবোক', ইবেম্বোগা ৩ দি কোম্না লুক্লেমতু ফংজরি হায়না নিংগনি। ঙাইহাক লৈরগা খুবাক ৩ লক খুরগা চাকি পাঙ- তাক য়েংগনি।

চাক অদু ওইরে'মদা খোংথবগুম্না লৈরম্নবদি কয়া পাংদ হায়না লোতুনা অরাই অখুম থুনা তৌগনি। য়েংলোমদা খোং- থরম্নবদি করিস্নু লৈতে। চাকমাইদু ময়ি চংতুনা লৈরম্নগনা য়ুমলোন কৈরোম্নবগী নুপী নহাদগী অসাবা বাহৈ খরা তাই। ফিল, কাং য়াওরম্নগনা ইচা ইনাওদগী অকনবা বাহৈ তাবা ফংই। অসিবা তিন কাং য়াওরম্নগনা অথাপ্পদগী নুঙাইতবা পাউ তাই। ইপাগী চাক্লুক্কা, ইপুগী চাক্লুকদা য়াম্ন কুপ্না য়েংউ।

চাক্লুক্কী খুদম য়েংবা লোইরগা, পিবানা ময়াইগী (ইপাগী) চাক্লুক্কা-ইপুদগী চাক, য়েনসাং, ঈসিংনচিংবা খরা খরা হাপচিন্নু অদুম্না ইবুধৌদগীসু হাপচিল্লকউ। ইপাগী চাক্লুক অদু মসক খংনা চাকচাক্নমদা মকোক থংনা থম্নু, মদু য়ুমগী অহন্না চাগনি। অতৈদি ইমুং অদুগী মচা মস্নুসিংনা চাগনি॥

ফম্বাল মমাংদা চাক্লুক থারম্নিবা অদু লৌথোকগ্রগা অমুক হন্না মক্ষম অদু রাই তৈথোকউ। অহগা কা ৩, চৈরুক ৩, থাগনি। অহুম্নক্তা অকংসেন অমমম হাপউ অদুগা থৌনিজগনি। নিবদি মৈহৈ

অমমগী হেন্না নিবা য়াদে। মচা নিগে হাগরগা মচাতা নিবা। লন নিগে হায়রগনা লন্তা নিবা। পুন্সি নিগে হায়রগন পুন্সিতা নিগনি। ইন্নফিনা ফিগাও সাদুনা য়াজৌ। খুর-খুদক কুন্দুনা, মানা মানা নিনিং নিনিংবা মৎৈ নিজগনি। থৌনিদি ইপাদা হান্না নিয়ু — ইয়ু-(কুরু) অচুমগী মনাক্তা চংজদুনা খুৎ লোন্নদুনা হায়জবগনি। থৌনিজরিবা অদুনা ফিগাও সানা নিজগনি ॥ × ॥

থৌনিরোন ৱাহৈদি :—

সে-সে ঙ'স কোরৌ নোংদা .... সলাইদা পোকচবা নচা ননাই .. --- না মাবু পেকপিবা পন্থৌদা হায়জরি, "পন্থৌ নচানা ঙসি ইপা, ইপু, ইবুধৌ পুরোন ৩ মক, ইবেন্থৌ পেরোন ৩ মক, ঙসি নচানা থৌনি থৌরাংজবদি অতৈ অমগী নত্তেদো, পন্থৌ, নচা ঐগী ... . পিবিয়ু হায়না নিজরিবনি ॥

১) পন্থৌনা মপারিগী মৱা তাবদা— "পারি ইবুংঙো ইচাগী ঙসিগী থৌনি লুক্লেল পেন্না চারে, মুংঙাইরে। পারি নংনা ইপাদা নিরিবা ... . পিবিয়ু হায়বা অসিদি ইপানা পিবা ঙমদে — পারি ইবুংঙো অদুবু নপুদা নপা ঐনা হায়বিখিগেদো পারি-ঙঃ ॥

২) মপানা মপুবোক্তা হায়জরী :— মপুবোক-ও নম্বুনা ঙসি তারা লুক্লেনগা থৌনিজবা অসি অতৈ অমগী নত্তে --- ... পিবিয়ু হায়বগী থৌনি থৌরাংজবনি হায়না, নম্বুনা হায়-

জরি। বা অসি তাবদা মপুবোক্লা - এঃ অহুদি মবুধৌ-দা হায়বিখিগে ঐনা পিবা ঙমদে পারি-ওঃ॥

৩) মপুবোক্লা মবুধৌনা হায়জরি !— মবুধৌও : ঙসি নম্বনা লুক্লেনগা থৌনিজবা অসিদি অতৈ অমগী নত্তে .... পিবিয়ু হায়বগী থৌনিজবনি হায়রি। মবুধৌনা থৌনিরোল অসি তাবদা 'উম' ঙসি ইস্নুগী লুক্লেনগা থৌনিজবা অসি পেন্না ফংলে, হংডাইরে পিবা তারেদন, পারিওঃ॥

থৌনিজরিবত্তুদা হন্বীরকপা:

১) মবুধৌনা মপুবোক্তা অমুক হন্না সিন্নগনি :— সে - সে নম্বনা .... পিবিয়ু হায়না নিজরিবা অহু মনিং থুংনবা " সে - সে পিবিরম্মোসে " (মবুধৌনা মপুবোক্তা পিন্নকখিবগী বাখন)॥

২) মপুবোক্লা মপাদা অমুক :— সে-সে নচানা পিবিয়ু হায়না নিজন্নিবা .. ... পাম্মী হায়রিবদো, " সে - সে পিবিরম্মোসে " (মপুনা মপাদা পিন্নকখিবগী বাখন)।

৩) মপানা মচাদা অমুক পিগনি :— সে-সে পারি ইবুংঙো নহা-কনা নিজরিবা .. ... পাম্মী হায়বদো, নপু ১দি নধৌ অনিমক্লা নপা ঐঙোন্দা সিন্নমম্মবনি। লৌসিনজরো সে (সিন্নগনি) মসিবু নপা ঐনা পিরবনি॥

মচা নিজবা ওইরগনা মপাগী ফম্পান্দগী লয়োই অমা লৌবীতুনা মথাগী মিংথৈরোন অসি সোম্বীরগা থৌনিজরিবদা পিবিগনি। থৌনিজরিবা মচানা ফিগাও সানা লৌজরগা যম্মুং ময়াইদা ইন্নফি ইল্লগা ফমলিবি মাগী নুপী দা অমুক ফিগাও সানা য়াহন্দনা সিন্নগনি।

লফোইদা সোনগদবা মিংথৈরোন:—

লাইয়িংথৌ নোংছুমসংদগী হৈ মরুগুম ককথাইরকউগী মমিংদি চেৎপা ঙানবা কৌএ। চেৎপা ঙানবনা চেৎপী ঙানবী পোকএ। চেৎপী ঙানবীনা লৈনিংকোইবা পোকএ। লৈনিংকোইবনা মীহিংলেন সিদবা পোকএ। মীহিংলেন্না, অঙাং পোকই। অঙাংনা নুংঙাংলেন পোকএ। নুংঙাংলেন্না তুমাহিং পোকএ। তুমাহিংনা ঙৌহত্তনৌ হি-হীং পোকএ। ইয়ু সিদবগী য়াথংনি॥+॥

(লফোই অতু মকু খোকতোক্লগা মথক্কী মিংথৈ অসি সোনবীরগা নুপী অতুদা পিজৌ মরু হুনবনি। তাংগ্রা ৩ দা তারিবা অকৎসেন (দখিনা) অতু পুম্না খোমজল্লগা থৌনিজরিবা মহাক্কী ফিগাওদা সিন্নগনি। নিপা অতুনা ফিগাও সানা য়াগনি। অতুগা মহাক্না মাগী নুপী দা সিন্নগনি। নুপী অতুনা ইন্নফিনা মকোক কুপতুনা ফিগাও সানা য়াগনি। অকৎসেন অতু থমফম চানা থমজনগনি। মথংদা ইপা, ইপু হনজিনহল্লগা থৌনি লোইরগনি॥

ইপা ইপু হনজিনষমদি :—

নিজবা লোইরগা থৌনিজখিবা পিবাগী পিস্তম ২ গী মরক্তা ব্রাখন্না পুসিল্লু। অহানবদা ইপাবু হান্না পুসিল্লু। মথংদা ইপু-বোক পুসিল্লু অদুগা ইবুধৌবু কোন্না পুসিল্লু, অদুগা য়াফমদা 'ইংত্রিক ঙাংত্রিক' হায়না ব্রাখন্না থম্মু।

নোঙ্গাহন্বগী থৌরম :—

১) খ উবুনাইবু হান্না মাং থানা থোকহল্লু।

২) ইবুধৌ পুরোন ও মক্কা পরেং সানা থোকহল্লু।

৩) মাইবনা য়েং থংগনি।

৪) য়ুম্বনা ওই থংদুনা হিন্দাক্কনি। থোং ময়া য়ৌরগা য়ুম্বনা 'ইয়ু পুরোন ও মক কেংবিরো ননাই ঐহাক লৈজহৌরগে' হায়দুনা নোম্লক্কনি। (মাইবনা থোং হাংদোক্লনা থিন্দোকখিগনি)।

৫) য়ুম্বনা থোং লোনসিনহৌগনি।

৬) মাইবনা নাকথ চুরি তাফমদা সাইবা তিংখং ৭ য়ুংগনি। লাঙ্গোম ৭ না কৈফগনি। থাংলেন খুত্তা পাইদুনা মথাগী ব্রাহৈসিংসি হায়গনি॥

ব্রাহৈশিংদি :—

১/ ইপা পোকপা — পোকলেন পোকপা

২/ ইপু ,, — মালেম সাৎপা

৩/ ইবুধৌ পোকপা — অপোকপা

১/ ইমা পে'কপী — লৈতাবী
২/ ইবেন ,, — লৈন্নবী
৩/ ইবেন্থৌ ,, — লৈন্নুহন্বী

ইবুধৌ পুরোন ৩ মক ইবেন্থৌ পেরোন ৩ মক নোঙ্গাবীরো। সে-সে, ওসি ইপা ইপু ইবুধৌ ৩মক্না নোঙ্গাবা মতম অসিদা নস্থুসিংনা অচা অথক হৈকং লৈকং কয়া তমজরকপবু পুননবা খাউবু নাইবু পিজরিসে। ইবুধৌগী খাউবুনাই ওইনা ফমেল থংবদা কাইদোংজিবা ইপু অরিবগী মসক ওইবা সেন্দাং লাবা অমতং পুবিখো। ইবেন্থৌগী খাউবুনাইদি নাকথদা কাই- দোংলিবা সেন্দাং অমোম অমবু পুবিখো। ইবুধৌ ৩মক ইবেন্থৌ ৩মক নোঙ্গাবিরো। ননাই মোংবা মরান য়াই অসি সমু মীকোক তেকহন্বীরমগনু। হে ইবুধৌ কোইরৌ নোংন- দোন লৈচিন খোংনেংনা, থাজা নরান মুং, থরানমিচাক নোংথৌ সিদবদা তেরসি, কোমাই হাং, কোমাইথিং, অসি থোংবু থিং- থিং-থিংলবনি। অচং থোংবু হাংলবনি।

(লাইরোন রাহৈসিং অসি সোল্লগা নোঙ্গাবীগনি।)

মথক্কী বাহৈসিং অসি হায়রগা কৈনা লৈই ৭ থাংনা চিং- জুনা কোইসন্দুনা থিংডম্মু নাকথা (অসিথোংথিংফম) দা মাইবনা খুবাক ৩লক খুতুনা স্বরনা ৩লক কামথোক্নি। অতুগা মথাগী নিংথৌরোনসিংসি সোম্বীগনি।

মিংখৈরোন :—

মঙাং লুবাং খুমন
মতম অহুমগী মমুংদা
তিনয়েৎপা, লাইয়েৎপা পুম্নমক
তিন্দাই লাইতাইবিয়ু হে লাইহিংখো।
তিন্দাই লাইতাইবিরে,
সনা ৱাইখুবু, লুপা সোঞ্জৈনা
হো-ক্রোক, রো-ক্রেক লোন্দুনা
সনা চাজুম নম্নবনি ॥X॥

মথক্কী মিংখৈরোন অসি হায়রগা ৱাখল্লা সো লোলসল্লম্মো। অতাইরোন মিংখৈনা তিলমু লাইমু সত্তা হাওদি তাইবিরম্মু।

অতাইরোন মিংখৈ :—

হে কুরু নোংথোৱরেনবু তাইগে, সলাইরেনবু তাইগে, পাখংববু তাইগে, পুরাং নাগাববু তাইগে, মরিকপি মরিকপা, সনগোনবি সনগোনবা, ইবেন পিতাই খোংদাইবি অসেম অসা হৈবিরা নংবু তাইগে, ৱাত্রৈ সিলহৈবি, উত্রৈ সিল হৈবা নংবু তাইগে, ৱালহৈবি ৱালহৈবা নংবু তাইগে, লৈমা য়োয়রেনবা নিংথৌ চরানবা নংবু তাইগে, ওইথাংওঃ য়েৎথাংওঃ সিরি সিফোংবি নংবু তাইগে। নদাইরেম নখুল খুলবুকলেল ... ... খুল অচংবা গী ৱারেম, লাললেম, খুনচিন লানচিন, মীচিন মীপাউ খও. হাউদি ৱানা ভৌদোং, অৱোং অ'ং, অরুম

অথং ফুগ্রি ফুরাং ওকচিং সৌচিন লাংজি নোংলেম খানা পাংবরমদা হোইথবিরম্মো থানা চাওবা বাংব্রেনশী কংলৈ মসুমাংদা পাম্বা কৈয়েন অঙৌবী মণী মচাগী মখিক মখা কানা বাইথুংলুরসনু পাম্বা কোলোই মমিং থোন্দি - কৈথৌরেম্বীগী মপারি চান্দ্রিকপা, মপি মচাগী মথান্নুংদা তাগ্রসমু, অরেম অপানা থোংনাং মোংবী চীংনুংচুং, চুংতংঙানা কোনবা মরমথৈ, খা লৈথৈ পাংনা হোইথরম্মগে। অফবা, সুঙাইবা কপয়াংবা তাংয়াংবা (লৈপাক মরা তম্না নিংথৌ পুন্সিবা) চাকহোং ঙাহোংবদি হাউরৈ অরাং পাংনা হোইগংপীরকউ। (নদাইরেম নখুল খুলবুকলেন ... ... খুন অচংবা) অসি কুরাউ ফান্নরাং নমু পোংনা হেনবা, পুন্সি চরৈ সুংসাংবা, মপারি সুক্তাবা, মমোম সোইদাববু, নমু য়ুম্ব.ম হাংদনা তরেং লনথাই ললয়েনবীয়ু, চীংঙ.রো. য়ারা পুন্সি লনথাইবীরম্মু। নদাইরেম পুম্নমকপু অরাং কৌক্রু অসুপগী কংলৈ · মসুমাংদা য়াংগোই সামু অঙৌবি, মপিনা মচা লৈতংলেন অহনববু সিংনা নান্না কোনবগুম নদাইরেম নখুন খুনবুকলেন, ... খুন অচংবা অসিবু থরাই নোংবুম অচংববু, অয়ুক ঙন্না কোম্বাবিয়ু, সুম্মিদাং ঙন্না কোনসিনবীয়ু। হোইরৌ ইপান্না হোই - হোই হোইজিনবীরকউ। হয়া ইমানা খোইজিথাদা য়াবীহনা নাওসুম্বীয়ু, হয়ি চাসু হায়া হে, হায়া চাম্ন হয়িওঃ। হয়ি - হয়ি, হয়া - হয়া হয়ুম, হয়ুম হায়না কোনসলমগে, হয়ি হে - হয়া হয়ুম ॥×॥

অহুগা মাইবনা ইমুংদা অমুক চংলগা, চেং মুং অমা পাইরগা লাইয়িংথৌদা চংহনা চেং কংকনি। চেং অহু পাইরগা, কুরু ও গী থোংগল লাক্লম্বা, তিলয়ু, লাইমু, ফত্তবা ইমুংদগী মপাল লাংদা তাম্থোকপিগনি ॥+॥

চেং কংপগী শৌংথৈরোন :-

হে লাইয়িংথৌ সম্থোং অপানবাওঃ নদাইয়েম্মা
তল্লা চেং কংচরি। ইমুং অসিদগী ফত্তা হাও দি
পুম্নমক হোই হোই হোইদোকপিয়ো। "হো-হল্লো"
(তাম্থোকপগী থোম্থোক্লা) হায়ত হায়ত হায়ত ॥৪॥

মাইবনা চেং পাইহনা ইমুংদগী চাই-চাইহনা কোম্থোং বাংমা ফাওবা, তিলমু লাইমু ফত্ত-হাওদি তাম্থোক হোইদোকপিরমগনি।

কোম তৌকর্বদি :-

(১) হৌদোং চাকথাকমগী উথোং মরাদা, কোম ১ তৌরগা অয়েম অপা, লাকুম সিংগুম, চাবগী লুখাক্লচিংবা কোমদা থাদহনা কংকনি।

থৌনি পোংলমদি ঃ— হৈক্রুক ৩, কা ৩, অকংসেন ৩, থোইরু থাংবৈ ৩, মেক্রুক ৩, অসিনচিংবা কংলগা থৌনিবা লোইরগা কোম অহু ফুমগনি ॥×॥

(২) মসি কনাগুম্বনা মনিং থোংগী দাপ্পি মরাদা কোম ১ তৌরগা মথক্তা তৌরিবা ইরাং থৌনি অহুগুম্না তৌরগাদু কোম অহু ফুরে ॥×॥

(৩) মতমগী য়ুম়লৈ কৈরৈ ফুরা দলাম্বা লৈনরকপগী মতুং ইরা অরেম অপা লুখাক চাথারক্চিংবা পোৎশিং অসি, পুরা হাপ্নঃ য়াবা হাপকম অসেংবা (বাতিমগুম্বা) অমমা হাপচিন্নগা হৌদোং চাকথাকমম্বা থমলগা কুরু ৩গী ইরাং থৌনিরোন থৌ তৌরগা থৌনিজবা, থৌনি লোইরগা পোংসিংহু হন্দোককম ১ দা হন্দোকপিথিবা য়াই ।+।

কোমদা কৎপগী থৌনিরোল :–

কোম অসিদা পুরিবা লাইদি, ওকি মসক মাল্লি,
ইয়ু ৩ মক্তা তরা লুক্রেমথাক কংচরি,
য়াইক থৌজাল লনকুবিয়ু ।

চাক য়েনসাংনচিংবা লুখাক থরা কৎতুনা থুরুমজৌ, চকু ইবামচিংবা থুগাইতুনা ফৎত হাওদি পুম়মক কোমদা ফুম্মো ।

মাইবা মসাগী হকসেন :–

মাইবনা মপালোমদা মাই ওম্লগা চপ লেপকনি, মাংদা চিন্না লয়ি ৭ কৈনা চিংলগ', য়েংকী সেগা কাংলগা খু-হাইনা কামথোকনি । অমুক ওইগী সেগা কাংলগা খি-হাইনা কামথোকনি । অমুক য়েংকী সেগা কাংলগা, খি-হাইনা কামথোকনি । অমুক ওইগী সেগা কাংলগা খু-হায়না কামথোক্তনা ঙাকথোকচৌ, থৌরম খুদিংমক্তা সেম্লো, য়াম্না লুবা হকসেননে ।×।

অনম অথৌ কোকপগী পোৎখি কাপা তাইবগী চাকথানি মাইবনা লৌগনি, খুম্বা হৌজিনহৈদে। ইপা ইপু ইবুধৌদা কৎপা পোৎখি কাপা অমত্তা লৌবা য়াদে, খুমজিনি। মাইবনা ময়ুম য়োরগা, অনম অথৌগী পোৎ মরোম নাকথগী দাগ্নি মথক্তা থম্মগনি। অতুপগী চেং, লৈ থম্না লৌথোক্লুনা ফম্মেন, নাকথা ২ দা য়ুমথক্তা চাইথৎলু॥

খ্বাহৈদি:—

(১) ফম্মেন থংবদা লৈরিবা, ইপু অরিবগী মসক, "পিতাই খোংদাইবা, মালেম সাৎপা অপোকপা" চেং-লৈনচিংবা কৎচরি, তিন্দাই লাইতাইবীয়ু।

(২) নাকথদা লৈবা-ইবেনধৌ অরিবী লৈমূহনবী পিতাই খোংদাইবী, চেং-লৈ কৎচরি, তিন্দাই লাইতাইবীয়ু॥×॥

অরোইবদা মপান্দা মৈ ওক্লগা য়ুম চংঙু মাইবগী হকসেলনি। ফুজা অপোকপা খুরুম্বা খোরম পুরেং কাইহনগনু য়াম্না লুবনি॥×॥

কোনয়াই থাবগী থৌনিরোন কাংলোন

কোনয়াই থাবা হায়বা থৌনিরোন 'থৌ' অসি মৈতৈ ঈপা ইপুগী য়েলহৌঙৈগী থৌরম্নি। মসিনা তাকপদি কোরৌ মালেম অনি অসি তাইবংপানবগী পা-পীনি হায়না তাকই। কোরৌগী মসকপু-লাইয়িংথৌনি। লুপানা খোংনেং খুদা ওইনা কৎতুনা থৌরমগীদমক্তা পাউতাকই। মালেমগী মসকপু-লাইরেম্বীনি, সনা খোংনেং খুদা ওইনা কৎতুনা থৌরমগীদমক্ত পাউতাকই। ইসিং অমস্তুং লৈকংদা কানয়াই থাদুনা থৌরম অমগী লাইয়িংথৌ, লাইরেম্বী পাউতাক থৌ থৌনিরোন অদুবু 'কোনয়াই' থাবা হায়না কৌই। মৈতৈ কাংলুপকী অরুবা ইরাৎ থৌন অমা তৌবা তাবদি কোনয়াই থাদুনা, লাইদা হায়া পাউতাকই।

কোনয়াই— সনা মচেৎ অমা, লুপা মচেৎ অমা, অনি অদুবু 'কোনয়াই পু' অমা কৌই।

ঈসিংদা সনা-লুপা কোনয়াই থাবা মতমদা য়েংগদবদি চেনবা ঈসিংদনা "হৌ-লো ঈমুরোনবু ঈমহল্লো" হায়গনি। ঈচেল নাইবা ঈসিংদনা "হৌ-লো ঈঙৌরোনবু ইমহল্লো" হায়না হৌগনি।

ঈশ্বিং [illegible] শীং [illegible]

হৌ - লো ... ... বু ইমা হল্লো, ইমুয়োল ও মক, ইঙৌয়োল ৫ মক, ইথাবী ইরাম্বী ইপোকচন্দ্র খাংজোই য়াংঙোইবী, অম্পাক লৈম্নক লৈসোই য়াম্বী, নদাইয়েম .... নখুন খুনবুকলেন অচংবনা চিংঙ খোইয়ুম লাইয়িংথৌ .... নসানৌ ইবেম্মা য়োইবু খোইয়োম লাইরেম্বী ... ... হৱাও সকসেম ভমজগে, খৌদোক কুমৈ সামজগে হায়বনী লাইজা ইয়োমংদা কোয়ৌ নোং লুপা অঙৌবনা লুপা হোনগচন। মালেম লৈম্ন অঙাংবনা সনা য়াইগচন, লাইজা ইয়োলঙ্ংদগী চিংঙ নক্কাবীয়ো মালেম লৈথায়োল তরেৎমক্তগীসু কারকলো। কোয়ৌ নোংখোয়োল ৯, মক্তগীসু কুমলক্লো, চিংঙ সনা সঙ্গাই সুঙাইবদা হিংগি তোংদম কান্না চিংঙ নকাকবীয়ো হায়বগী সনা কোমপা কোনজল্লে, লুপা কোনগা কোম্বারে হৌ - ই - কৌ হৌফয়ো॥+॥

অঙ্গুম্না সনা-লুপা কোনয়াই খুবাক্তা হাপলগা মথক্কী লাই-য়োন অসি সোল্লগা ঈসিংদা থাদগনি। থৌরমগী মতুং ইমা লাইয়োন লৌথোক লৌসিন তৌগনি। সনানা কাবা, হান্না লুপ্পা কৈ। ঈসিংদা খুদোম্বীনা ০লক তিক - তিক - তিক কাপ্পনা সিম্নমগনি॥+॥

কোনয়াই থাবদা সনা - লুপা খুৎবাক্তা নম্না কৎতে। হুমিং চপ্ য়ুংবা মতমদা কোনয়াই থাবা কত্তে। থক্তা চুমথাং থানবা মতমদসু কত্তে। ঈসিংদা অচিং কোনয়াই থাবা কত্তে। হকচাংগী মীনম্না কোনয়াই থাবা কত্তে॥×॥

লৈকং কোম্বারোন ঃ—

হৌ-লো ... — বু লম্মহল্লো, লমনেম্ব, অনি থোকউ তুনেম্ব, অহুম থোকউ, লৈমুরোল ওক্কমক লৈহাউরোল মঙা-মক লৈথাবী লৈরাম্বী অপোক চমু থাংডোই য়াংডোইবী, ওম্পাক লৈমুক লৈসোই য়াম্বীও ঐবু সিজবা ইবুংঙো, নোংথোরোল অথোবদি-মপাথোই, মপুথোই, কবোলাক, ময়াংলাক, মিরাই-রেন তোংবাই হৈ মপুন্সি মানোংসাংনা পানজগে হায়বগী নদাই-রেম .... নথুন খুনবুরেন অচংবনা চিংঙ, সনা মাথোংথাদা, কোয়ৌ নোং অঙৌববু, লুপা কোনগাচল, মালেম লৈসনা অঙাংবমু, সনা য়াইগা চনজরি হৌ-ই-কৌ হৌক্লো ॥×॥

অম্বুম্বা মাইবনা সনা লুপা কোনয়াই অচু খুবাক্তা হাপ্লগা মথক্কী লাইরোন অসি সোল্লগা মালেমদা থাদ্জানি। অক-ফংতবা রেংগনি। সনানা কারবদি কৈয়ে ॥×॥

লৈকং কোম্বারোলগী লমমিৎলোম ঃ—

তোঙান তোঙানবা লমদা থোরম পাংথোকপদা লম লম অদুগী লুপতা থৌনিরোন লৈথাগনি।

১। কংলৈ ঃ— ইম্ফাল লুপ্পা, কোনবা লম মথৈবু কংলৈ কৌই। হৌ-লো কংলৈবু লম্মা হল্লো হায়গনি ॥+॥

২। থাংবাই ঃ — মথক্তম হায়খ্রিবা লম অসিগী অরাংমথৈবু থাং-বাই লুপ কৌই। হৌ-লো থাংবাইবু লম্মহল্লো হায়গনি ॥+॥

৩। রাইরুং-লুপ :— রাংথৈ রাকম পস্বোং (খোংলেন পোকরুম) নোংমাই চীং মখোদগীনা হৈডাং ফাওবাবু রাইরুং হায়গনি ॥ ✕ ॥

৪। সেরোই-লুপ :— নোংমাইচীং রাংমা নোংপোক ওমথৈ কাওবা সেরোই কৌই। হৌ-লো সেরোইবু লম্মহরো হায়গনি ॥+॥

৫। লনলোই-লুপ :— চঙাংগৈদগী নস্বোল, লৈত্রাম, মোই-দাংপোক, পাংসোই, ভাউবুংখোক, লমসাংনচীংবা লনলোই কৌই। হৌ-লো, লনলোইবু লম্মহরো হায়গনি ॥+॥

৬। লোইবু-লুপ :— লমদেং, কমেং, লোইদাং, খুরুখুন চিরাং, কৌত্রুক, কদাংবন, পনথা লশাল, অখাম, কাসিকাই, ময়াং লাংজিং, ফুমলৌ, অবাং সেকমাই, কংলা তোংবীনচীংববুনি। হৌ-লো লোইবু লম্মহরো হায়গনি ॥+॥

৭। লাংলোই-লুপ :— নিংঙোম্বম, হিয়াংথাংদগী হৈরেল, কৈরক, বাবগাই অসি মথৈবু লাংলোই কোই। হৌ-লো, লাংলোইবু লম্মহরো হায়গনি ॥✕॥

৮। খুরোই-লুপ :— ওইনামদগী লোকপা চীং, লম্মাংদোং, ফাওবা খুরোই কৌই। হৌ-লো খুরোইবু লম্মহরো হায়গনি ॥✕॥

৯। ঙাংঙোই-লুপ :— নিংথৌখোংদগীনা মোইরাং কৈখেল ফাওববু ঙাংঙোই কৌই। হৌ-লো ঙাংঙোইবু লম্মাহরো হায়গনি ॥✕॥

১০। কেগে-লুপ :- মথক্তা তাম্মিরবা লম খঙ্গিদ্রী তুরেল বাংমা মঠিং থাং-লৈবোক কেগে হায়গনি। হৌ-লো কেগেবু লম্মহল্লো হায়গনি।+।

১১। লায়োই-লুপ :- লিয়োং তুরেল লুখাইদগীনা মথা ককচিং, পল্লেন ওমথৈগী মন্নুং অসি লায়োই হায়গনি। হৌ-লো লায়োইবু লম্মহল্লো হায়গনি।×।

১২। থায়ৈ-লুপ :- ফৌগাকচাওদগীনা, সুগুনু ফাওবা থায়ৈ কৌই। হৌ-লো থায়ৈবু লম্মহল্লো হায়গনি।+।

১৩। লেমলৈ-লুপ :- সুগুনু, মথা ওমথৈ লেমলৈ হায়গনি। হৌ-লো লেমলৈবু লম্মহল্লো হায়গনি।+।

অসুম্না মথক্তা হায়খ্রিবা লৈকং কোম্বায়োল অসি লম অহুগী কোনবা, লম্বা লুপকী মমিংদা সৈথাহনা কোনয়াই কোম্বাগনি অহুবু লৈকং কোম্বায়োল কৌই।+।

থয়োম লাংপগী থৌনিরোল

কাংলোন

তাইবঙ পানবা কোরৌ মাংলৈ অনি (২) গী উনকোইদুং লৈগা - লাগা, লাইগা - লৈগা, লৈতাই নফম লাইজ "ইমুং পুং" চৌংঙ, য়াইবিরেন সিদবা, সিদবীগী খোইদৌ লকা য়াইদা তাইবংনা য়াইফ থৌনিজবগী, তারা থয়োম চায়োম কংপা অচুবু থয়োম লাংপা থৌ কৌই।

থয়োম লাংপগী পোৎলম :—

ভানু মরুম ২, (লাবা অমোম ওইগনি) চেং খুজোক ২, লাংথরৈ মতোন ১৬, সনা - লুপা কোন্নয়াই পু ২, অকংসেন ২, লা - লাতোন ১৬, পয়া ১৬, হৈরম ৭, লৈরম ৭, কবোক নাচন ৭, হৈবী মনা থরা, য়েনসাং মনা মখিং থরা, থুম, মোরোক, য়াম থরা, চুপতোন ৭, তৌতোন ৭ অসিনা চংবনি।

থয়োম লাংপা হায়বা অসি য়োমসল্লগা লাংপা অমা, য়োমদনা লাংপা অমা, লৈকংদা অমমুং কাংখোংদা লাংপদি - য়োমদনা লাংকনি। ঈসিংদনা য়োম্নগা লাংকনি। অচুগা অরোইব চাকথা পিগনি॥

খয়োম হায়বদি ঃ—

লা-লাকোন হায়োন ১/৭ ডা চেং- খয়া খয়া হাপলগা, চেং অতুগী মথক্তা কোনয়াই চমবা য়েরুম ১" থিব্বা, য়েরুম চিনাইরগা লইংথরে মতোন ৩/৩ নং "লৈহন" অদা, পৈশা ৮; হৈ-লৈ খয়া খয়া হাপ্লগা পয়া ১/৭ না পুন্‌বা, ময়োম্ব খয়োম কৌই।

খয়োম য়েম্বেগী কাংলোন :—

লাইনিংথৌগীনা লা ৯ উপনা থাগনি, পয়া ৯ পুনগনি। লাইরেম্বীগীনা লা ৭ লোংনা থাগনি, পয়া ৭ না পুনগনি। থৌ-রমগী মতুং ইন্না খয়োম অনি লাংপা, অমথক্তা লাংপা থৌনি-য়োল, মখল মথা কয়া লৈ। নোংদোল খয়োম লাইনিংথৌগী কৌয়ৌ ডাইবা। ঈরাই লৈমগী খয়োম্মা লাইরেম্বীগীনি, মালেম ডাইবা।

খয়োম লাংপগী মীংথৈ :-

হে ইবু ঈন্নাই লৈমনা য়াইদা লৈ, ঈথৈ নিংথৌনা থাদা লৈ ঈতোন নিংথৌনা থক্তা লৈ, ঈপুন পুংদা লেপ্লীবু ইডা পুংদা তাবিয়ু য়াবা .কুরু সিদবা সনা নফম লাংদা তারা খয়োম কংচরি। নদাইরেম নখুন খুম্বুকলেন অচংবা ... ... অসিনা চীংঙ্ খোইয়ুম লাইনিংথৌ - ... নুসানৌ ইবেন্মা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বী ... ... চরাও শকলেম তম, খোথোক কুমেননবা, খুনজাও কৈচাওননবা, চীংঙ্ নকা কবিয়ো হায়বগী সনা লাকা য়াইদা তয়া খয়োম কংচরি হে ইবু ।+।

অসুম্না খয়োম অনি অছু :— লাইয়িংথৌগী খয়োম্না খুং য়েংনা পাইগনি, লাইরেম্বীগী খয়োম্না খুং ওইনা পাইরগা ল্যাইরোন অছু সোল্লগা ঈশিংদা লাইয়িংথৌগী খয়োম। অছুনা হাম্না থাদরো মথংদা ল্যাইরেম্বীগী খয়োম অছু অমুক থাংগনি। মসিবু লৈথক লৈথা, খয়োম লাংপা কৌই। অছুবু অনা অয়েক থৌরমগী মতুং ইন্না সৈথারোল খেংনবা কয়াদি লৈ। খয়োম মথক্তমক লাংপস্থু লৈ। খয়োম য়োমদনা লাংপগী থৌরাস্থ লৈ। ঈসিংদা অমদি লৈকংদা খয়োম লাংপগী মথল মথাগী থৌনিরোন মওং মান্নবা কয়া লৈ॥১৫

লৈকু লৈরাই য়ুখাংবগী কাংলোন

লৈকু লৈরাই হায়বদি-ঈসিংগা, মালেমগা তাইনবা মকম অছুবু লৈকু লৈরাই কৌই। য়ু-খাংবা— ঈসিং মপান্দা সারোই চাকথা পিবাবু, য়ুখাংবা কৌই। অছুদি কোরো মালেম অমিগী মরক্তা ল্যাইজ ঈসিং লৈ। লাইজ সুংদা তাইবঙ পানবগী পী-পা, সিংবা, সিংবীগী "য়াইখিরেন" মিরেন থবাই অসেংবা, ফমদেংহনা লৈ। থোইমুম মাইকৈ ডাকপা লাইমাই হায়বদি-মাইকৈ ৪, সুংবাই ৮,

পোইরৈ লিংখৎই ৩১, চিংজাই সারোই ৬১, লাইকয়া ৭, লাইপুং-থৌ ৯না লিরবা লিরবী অনিবু থৌগল তৌনুনা তাক লেপ্লুনা ম্যাদেম লৈরাই চাংজৌথক্লবি। ভাইবসিংনা য়াইক থৌনিজরে হায়রবা মতমদা, থোইদুম সারোইসিংবু অহানরবদা পাওতাক তুনা চাকথা পী, অতুগা লিরবা, লিরবী হায়রবদি লাইরিংথৌ, লাই-রেম্বী অনিবু লাইজ ঈকৌ তম্নগা য়াইক থৌনিরে।

থয়োম লাংপা, কোনয়াই থাকা, অসিনচিংবা খুদিংমক্তা অয়াইবা, অয়াইবীগী নাপদা লৈ অমা থেংলু। অয়োক অকনবীনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা খুদম থোক্লবদি- ইসাবু কনজহোনবা, খুদকী উসিয়োলগীনি।+।

ঊসিয়োল লাইরোন্:-

লৈগা - লয়গা লাইপা - লৈগা,

সিয়রে মোরি মপাও তাক্রি।+।

বাহে অসি হায়রগা মনাদগী লৈ অহ খুদোংচীনা কাওলা লৈ-পাক্তা থাদরমগনি, খুদোং থিরবা মতমদা তৌগদবা হকসেল্লি।×।

লাই ইকৌবগী থৌরম কাংলোন

লাই ইকৌবা :—

(১) সাগৈ সলাইগী লাই ইকৌবা অমা, (২) খুন্নাগী উমংলাই লাই ইকৌবা অমা অসিনচিংবনি। থৌনিজগদৌরিবা ইস নম্বুগা খুজা অহুনা হরাও তরাম্না লাই অনিবু ঈসিংগী থৌবাহ মীয়েন ইকৌথংলকপবু "লাই ইকৌবা" হায়না কৌই।

লাই হায়বা অসি ঈসিংদা লৈ, হায়রিদি ঈসিংদুগী তাইবং পানবগী মসক অসি ওইরকখি হায়না "চীংও মরুনা" পাউ-তাকপীরম্মী। থৌরম্মা মসক তাকই। "লাই ইকৌকমু পুম্ব নত্রগা তুরেল অমত্তুং পাং, কোম, লাইকখ মকমদগী মাইকা, মাইবী, পেনা, খোং বা, থৌপল, মসিং হুনা য়াওহনা মীয়াম্না লাই ইকৌগনি।

লাই হায়রবদি ত'ইবত মগু, মহাকী 'অতিক মরাই' অহুনি। তাইবগুনা সিদুহে "লাই ওই" লাইদি তাইবগুনা মসক উবা ফংদে, লাইদি থবাই য়াইকৌরেন সিদবনি। মহাক্তি - অচংবা, অকিবা, উরেনবা, অসংবা, অসেংবা, থবাই ওইবনি। তাইবগী মরুদু লাই কৌবনি।

লাই ঈকৌবা – মালেম থোংলোই ২ থোক্না সেমজুনা চংবনি। সাগৈ মপাইগী লাই ঈকৌবা ওইরবদি সাগৈ পিবানা লাই-য়িংথৌ থৌগল্লুনা পুগনি; পু-রাইমমা লাইরেম্বী পুগনি, সাগৈ পীবাগী মূপীনা ঈসাইফু পুগনি, পু রাইমগী মূপীনা তুরেন হৈ পুগনি। সাগৈচা অকম অথৌ ২না থাং ফানগনি, চহি-থবা হনবুনা লাইয়িংথৌগী থাং পাইগনি, অমা অতুনা লাইরেম্বীগী থাং পাইগনি। লাইয়িংথৌগী মপারিং লাইরেম্বীগী মমোংলোই-সিংনা য়া-য়া লাউরগা হুয়াউনা চংকনি। লাই ঈকৌকম মকম য়োনবা মাইবনা মাং থাজুনা নাহৈফুগী লাইকদা তাইরেন পুংকাই লুথুনা লম্বী সেংদোক হায়দোকলগা চংকনি, মাইবীনা সরিক খিংগনি, মতুংদা পেনা খোংবনা পেনা খোংলগা, পুং-সেন য়ৈবনা য়ৈরগা লাই ঈকৌ-কম মকম য়োনবা চংকনি, য়োরগা মাইবনা ঈসিংদা কোনয়াই থাগনি, খয়োম লাংকনি। "তুরেন হৈ" মাইকৈ ৪ দা কংকনি, লৈয়াই মুথাংগনি। 'সায়োই থাংবা' অহু লোইরগা মতিবীনা ঈতাফমদা ঈকৌফু ২ঃ লাই-য়িংথৌগী ইকৌফুনা মথুং য়েংনা, লাইরেম্বীগী ঈকৌফুফুনা মথুং ওইনা পাইরগা চুকফারোন লৈনেং জগোই, লৈতাই জগোই, নোংদাই জগোই, লৈসি জগোই সাগনি। জগোই সাবা লোইরগা ঈসিংদা মাইবীনা লাই ঈচুম ঈঅপনি। লাই ঈকৌ ঈতাবা লোইরগা ঈসিংদগী হিরি চিংজুনা ঈকৌথংকনি। লৈ-য়োম ২ অহু পুন্না পাইদুনা ঈসিংদা কুমজুনা লাইরেম্বী অসি লোনগনি—।

লাইরেম্বা মিংথৈবেন :—

হে থবাই, হকক মীগা খারগা ৩ মক,
মিরেন হুন্দবা ৭ মক, থবা নখাই লৈরক,
চেংডা খুবম হোংগনু, ঙুচে নংনু নিংথৌ,
মুহা নংনু হাপনু ছিরি তোংবম কাথা
কারসি "ছি" ১/৭

ঈসিংদগী লাইগী থৌবাই মীয়েন খেমগংকনি, চিংকংলকনি ॥ ৪॥

মাইবুনা লাইয়িংথৌগী ছিরি পাইদুনা ৯ মক সিংকংকনি। মাইবীনা লাইরেম্বীগী ছিরি ৭ মক সিংকংকনি। লাইয়িংথৌগী ছিরি অদু কোনসল্লগা লাইয়িংথৌবী ইকৌফুদা হাপ্লো। লাইরেম্বীগীসু কোনসল্লগা লাইরেম্বীবী ঈকৌফুদা হাপ্লো। (ঈকৌফু হায়রবদি থবাই মিরেন চনফম্বি, থমকম্বি।) মাইবীনা লাই খুবগী মখোংডু ঈসিংনা থৌগনপনি।

মথংদা মাইবা, মাইবী অনিনা লৈরাই চাংজৌখক্তা ম্যাদেম থোংবাই, ২ থোক্লা লেপকনি। পেনানা লম্মিন থোংগনি। মাইবীনা লাইচিং জগোই সাগনি। অদুগা ঈসিং মপান্দগী মুইমুং কাওবা লাকপদা মাইবা মাইবীনা খেংথাং ৩ লুক জগোই ওকনি। অদুগা য়া-য়া লাওরগা চংকনি।

খাইবোং :—

ডাহৌরে ডাহৌরে ভিলয় লাইনু ডাহৌরে
হো-য়ায়া হো য়া হো, -য়ায়া -য়ায়া, য়া

[illegible] পুথাং [illegible] মৈ অকনি, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মৈসাইদু পুখিবা [illegible] [illegible] ২[illegible] [illegible] লেপখনি। কোকখত্তা পুথিবা [illegible] [illegible] পুনশি মপাক্কা পুম্বা লাইরিংবৌগি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুখবা [illegible] [illegible] লাইরিংবৌগি মাইকৈদা মিপা ও [illegible] মাইকৈদা [illegible] হিরি চিংবা য়াওগনি। মাইকৈদা হিরি লাউথবা, [illegible] [illegible] [illegible] শাকশং খুমগনি।

লাইচিং লাইরোন : -

মাইকনা লাওয়দবা — [illegible] [illegible]

ওঃ ওঃ - ওদোঃ ওঃ — হি হি হি

এঃ এঃ - এঃ ওদোঃওঃ — [illegible]

ওঃ ও - ওদোঃ ওঃ — [illegible]

মতৌ অসুম্না লাওবা পুম্নাগা লোয়নবা লাইমাংলোমদা চংগনি। মাইবনা হিনায়োন সৈথায়োন কয়াস্থ সৈনকপা য়াই।

হিয়ারোন মিৎয়েং : —

চৌরেন [illegible] [illegible] [illegible] লাইদি লাইরিংবৌ "[illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] চৌরেন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুম্নমক, ভসিওঃ কোকৌ নোং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হিরি তোংদম [illegible] [illegible]; [illegible]

সংগাই লিংখিবদা কারসি। চীংঙ্ ইকুড়ো থিরাইবনদি কাঙমদা, পোংরাইবনদি য়োঙমদবসং, হংডোই কোম্বে চুরাবিনা কুজমসং ককচেং কোকচাওবিনা ফাকাসং ম্মাগী থাকন মথাবা ম্মাগী কম্বাল মথক্তা ইবুধৌনা য়েংতা কম্ ইবেম্বৌনা ওইদা কম, ম্মা কম্বাল থক্তা লেংথুংজদি-থি-হি-থি, হায়না. মাইবনা-৯ লক মাইবীনা ৭ লক শোন্নগনি। অতুনগী মাইবনা লাইরিংথৌগী লৈয়োম পাইরগা, মাইবিনা লাইরেম্বীগী লৈয়োম পাইরগা, কম্বাল থোইদো লাকা ম্রাই, চনিং খুদোন অনি মখাইদা লৈয়োম থবাই মিরেন কম্বালদা কমদেংগনি : অমম্তং থমগনি। অতুগা মাইবনা থবাই মিরেন হিরি পাইতুনা ৯ লক সিংচল্লু। অতুগা মাইবিনস্তু লাইরেম্বীগী হিরি পাইরগা ৭ লক সিং চল্লু। অতুগা আরোইবদা "হ-র-স হংসো ক্রেক হায়না সোনগনি ।×।

লাইরিংথৌগী ঈকোকু, লাইরিংথৌগী য়েংতা থমগনি। লাইরেম্বীগী ইকোকু, লাইরেম্বীগী ওইদা থমগনি। অমুম্না লাই ইকোগনি। লাইরেম্বীগী ওইদা ঈসাইফু কমদেংগনি, লৈমরেন কম্বাল সিংগনি।

লৈহৌলোল :— লাইরিংথৌগী লৈয়োম থোক্লগ, লৈপোপ ৯ না লাইরিংথৌগী কম্বাল চনিংদা লৈহুন তমগনি। লাইরিংথৌগী ওইদা কম্বাল থক্তা লৈপোপ ৫ মা কুক লৈহুন তমগনি। অমুম্না লাইরেম্বীগী লৈয়োম থোক্লগা লৈপোপ ৭ না লাইরেম্বীগী কম্বাল চনিংদা লৈহুন তমগনি। লৈপোপ ৭ অমনা য়েঙ্গরেন্দী কম্বাল চনিংদা লৈহুন তমগনি ।+।

লাই ঈকৌবগী পোৎলম :—

উমংলাইগী ওইরবসু সাগৈগী লাই অপোকপা ওইরবসু, য়ুমগী লাই "সনামহি" ঈকৌবা ওইরবসু পোৎলম চপ মাল্লে। লাইগী থৌরমদি অমত্তনি থেৎনবা লৈতে। তৌইভবসু ঈকৌজন্না থৌনিজপদৌরিবা লাই মসিংগী মতুং ইন্না থিজোন মসিংসিং লাংগনি।

লাইগী দমক-কৈজোম, ইন্নফি, কোয়েৎ, লেংগোলফি, লাই-রেম্বীগী ফনেক ইন্নফি, লৈমরেনগী তুংগা ফনেক, খুংজেং নমথাং ফিজুম ফি, কিরাক তাইবা, নাহৈ চফু, ঈসাইফু, ভাম্বু মরুম য়েন মরুম কোনরাই থাকনবা নচিংবা অমমম ১ঙুং ঈকৌফু (ঈহাইফু) হিগাউ ফু, চফু মচা, খৈয়োম লৈয়োম অসিনা চিংবা ২/২ চংগনি। পায়া ১৬, লাংথরৈ মতোন ৩০ হৈরম-লৈরম ৭/৭ কবোক নাচন ৭-হৈবি মনা। য়াম থরা, চেং, থুম, মোরোক য়েনসাংগী মনা মশিং থরা য়াওগনি

কৌদাং ১। লাং অহিংবা লংচুম ১। থুম পাক ৩। খোংগাল ভাম্বু ১/০ নি। খোইজু, লৈথাম, ভারম ৭ কি ভা পরেং ১ পান্নাউ সিংন।উ ০/০ লফোই লাকাং চং ৯। লা থবা উতোং ১৬। লৈসং, লৈক্রু, হৈনিং, হেজাং, চুড়ো অসিনা চিংবা পোৎচং অসিনা লাই ঈকৌগনি। অতুগা সাগৈগী অপোকপা অমসুং খুনগংগী উমংলাইগী ওইরবদি— ফিরাল ২। সেকপিন

(লৎত্র) অনি থাউঁননি। উমংলাই "অরনি" : নংগি অশোকপা অমমুং সুনা মহুৎনাগিংবা, হায়াই ত্মানামুত্তিংবদা লা, তাংগ্রা তাবা চৎলুরমদৈ, মত্তম অদুনা লা তাংগ্রা তাবা থাদে। মৈতোয় মৈতোয়া মৈরক-লৈরক খিনরা ওইনা চৎলরম্মি ::X::

মৈতৈ / মীতৈ ল্বেক সনাইগী
মমক তাকপা

কংলৈদা মৈতৈ/মীতৈ কাংলুপ অসিগী মৈহৈরোন, মীহৈরোনা যেহেলোইগী "হবুধৌ পাথংবা" গী মপারি ৭ থোংদম লোখোয়-মকপা মতম থোংলৈ মতুং ইন্না থোনখিবা মিংথোল, "য়েঠ সনাইং, কাংলুপ, মুরুপ মিংলোনবু কংলৈ নিংথৌ পামহৈবা (গভিবিলিয়াম) মাহাক থত্তা, মরাং লমকোইবা— সাঙ্খিকাসকী মবা লৌত্তুনা হিন্দুধী (গোত্র) পোনসাইগী মমিংদা ওহোক্লা খুনিনবিথি অমত্তুং তিনহনবিথি। মতমগী থোংলৈনা অওনবা লাত্তুবা অসিদা সনাই থংলনত্তুনা থায়া থাদগে। মাগী মাগী সনাই থনেনবা মথাংদা ইত্তুনা তাকচরি।

মৈতৈ/মীতৈগী য়েক সলাইগী মিং			হিন্দুগী গোত্রাগী মিং
১। অঙোম	— অরিবা	—	গৌতম
,,	— অনৌবা	—	ভরদ্বাজ
২। মঙাং	— অরিবা	—	সাণ্ডিল্যা
,,	অনৌবা	—	বিয়াখর
৩। মোইরাং	— অরিবা	—	আত্রেয়
,,	— অনৌবা	—	অঙ্গিরস
৪। খা ঙানবা	— অরিবা	—	নৈমিস
,,	— অনৌবা	—	ভরদ্বাজ
৫। লুবাং	— ×	—	কাস্যপ
৬। সরাং লৈসাংথেম	— ×	—	কৌসিক
৭। খুমন	— ×	—	মৌদ্গল্য
৮। চেংলৈ হাওরোক কোনথৌজম	— ×	—	বশিষ্ঠ

অস্থুম্না ঐখোয়গী য়েক-সলাইবু গোত্র হায়না মিং ওঙ্খোক-ওনসিন তৌখিবনি।

লোইরে

অরানবা চুমথোকপা

	লমাই-পরেং	অরানবা রাহৈ	অচুম্বা রাহৈ
১।	৫ — ১৯	— হৈজাং হৈথুমনি	— হৈজাং নত্রগা হৈথুম
২।	৫ — ২১	— পাংতদগীনি	— পাংতগীনি।
৩।	৬ — ১৪	— থিংনা থাংতি	— থিংনাং থাংতি
৪।	৬ — ১৬	— ডাংপাং	— ডাপাং
৫।	১২— ২০	— কৌরৌ	— কোইরৌ।
৬।	২৭— ১	— কুমলিক	— কুমস্না কুমলিক।
৭।	২১— ৩	— মেন্দেং	— মেন্দাং।
৮।	২১— ১৮	— খনবত্ত	— খনবও।
৯।	২৫— ১৮	— লোইতাঙৈদা	— লোইয়া তাঙৈদা।
১০।	২৬— ১৬	— লৈথোক তাঙৈদা	— লৈথোম তাঙৈদা।
১১।	৩০— ১৩	— পানকুক্	— পানফুক্।
১২।	৩১— ২১	— মানম	— মনেম'।
১৩।	৩৬ — ১	— খুনম	— খুমন।
১৪।	৩৭— ১৫	— মবেম্থৌগী	— মবেম্থৌদগী।
১৫।	৪২— ৭	— মথাগী	— মমাংদা লৈবা কফুং
১৬।	৪৩— ২	— লৈহৌনানি	— লৈহৌলানি।
১৭।	৪৬— ১৪	— [illegible]	নিংসিংমিন্নবা।
১৮।	৫১— ৮	— [illegible]	— [illegible]ইগী।
১৯।	৫১— ১৯	— খুদমগী	— খু[illegible]ম অমা থম্নগা।
২০।	৬৮= ১	— [illegible]তাদা	— [illegible]দা।
২১।	৮২— ১৫	— অরোই	— [illegible]রাই।
২২।	৯০ — ২০	— [illegible]মরেন	— লেমরেন।

কোংজবা:— ইনাং কংবা লুপ
ৱাংজিং - লমদিং, মনিপুর ।

অহানবা কোংবা - ১৯৯৬

লাইরিক মসিং—১০০০

ব্লোক শাবা :— মথৌমগী - থোনাওজমচা মঙ্গী লুবাং
মফুংগী— মোইরাংথেমচা য়াইখোম্বা মোইরাং

মমল - লুপা ২৫/-

হক পুম্নমক পুংথোকপসিংগীনি ।

নমকম :— য়াইবী প্রীন্টিং ৱার্ক্স, ৱাংজিং কৈথেল্
মনিপুর ।